

পন্থুং-রাংম

অইবা

মুন্নাম ভীম মৈতৈ

মমল লুপা ৪.০০ জনি।

য়াওগদবা মীশক

নুপা—

মাধব — খুঙ্গংগী অহল অমা

শ্যাম— খুন্নুং লোনচৎ থিজিনব মীওই অমা

সুরেশ— শ্যামগী মরূপ

তেম্ব — কলেজগী ছাত্র অমা

বীর — কলেজকী ছাত্র অমা

তিকেন— ডাক্তরশিংগী পাখং অমা

ককচ— তিকেনগী মাম্মা

নুপী —

তমু — মাধবকী নুপী

প্রেমলা— মাধবকী মচানুপী (কলেজ ছাত্রী)

শিলা— তিকেনগী মচন (কলেজ ছাত্রী).

অকোংবা—য়ুম্নাম বুদ্ধচন্দ্র
লম্লোং কৈথেল।

মথুম য়েকপা—য়ুম্নাম নবচন্দ্র
লম্লোং কৈথেল।

মশিং ১,০০০

পুথোকপা মুমিৎ—লাংবন পূর্নিমা,
সেপ্টেম্বর তাং ৮, ১৯৭৬

নম্ফম—খোংনাংথাবা প্রেস, লম্লোং কৈথেল, ইম্ফাল।

সেন্থুং-রাংম

অহানবা পান্দুপ

মফম—মাধবকী য়ুম

(ফমেলদ ফক, হিদকাফুনচিংবা লৈ)

মাধব— হায় ! হায় ! কনা কনা লৈবগে তারিব্রা ? কনা অমতা
লৈত্রবা জাৎলনে, (মথন্তা শেংনজবা)
হায় তমু তমু—(কৌরকপা)

তমু—(থোরকপা) হো—করি তৌরবগে পংকোদা কৌরিবদুবু
করিগুম্বা থবক অমত্তা চৎথোকপা য়াদ্রেমা—।

মাধব— খংঙেনে মখা তারকলমু ব্রহ্ম অসে ফুক্কৎলকই, নত্তে
নিপা ঐখোয়না হজিল্লকপদা মুপী নখোয়না লৈরমত্রবদি
নিপা ঐখোয়সে করিনো অমা তৌই হায়বসে নখোয়না
খংগদবনি ! খংলত্রা ।

তমু—হয়ে-হয়ে ফজনা পাউতাক পীবিরেদা—ও । হয়েংখৈ
তৌজররোইএ হমুথংশিদা ।

মাধব— মচাসুপীদি লৈত্রা ! অমুকতা কৌথোরকউ ।

তমু— ও ! নচাসুপীদো কলেজদা চৎখিয়ে (শাওরংমনা হায়বা)

মাধব— (খরা চৎথোকলগা) য়ে য়ে শোয়রেনে মমা মংবু নহাক্কী হৌমবী লবাই লুতোন্দগী কাম্বীদু তৌরমুমে, শিবু মী অমমা উত্রগা সুপীনা ভম্বা মানগ্রনি । ইশে ! তৌববু নংসে শক্তিং অমুক অমুক হৌই হায়বসে ময়ামনা খংদবা ।

তমু— হুং ! (শাওনা য়েংবা, মচাসুপী মরুপ মপাং খরগা চংলকপা)

প্রমিলা— ইমা ! ইমা !! ময়াম লাকই ফিদা খরা থাবীয়ু ।

(মমানা ফিদা থাই, ময়াম ফমই) ময়াম ভাইহাক্তা পোৎথাবীরম্মু ঐ চান থকনবা অমুক্তা হোৎনজরুগে ।

ময়াম— য়ারনিদা য়ারনিদা হয়েং কোম্না কারবা কান্দা সুংভাইসে ।

প্রমিলা— কুইরোইদা ভাইহাক্তনি পোৎথাবিরম্মু । (চংখিবা)

মপা— (থগৎলগা) ময়াম করম্বা ঘতনা য়াওরবগে ?

মরুপ অমনা— সুমহাই তৌবনি খুরা ইবুংঙো— খুরা হেক্তা কৌজরগে ।

মাধব— য়ে....হোৎনৌ হোৎনৌ হৌজিক কান্দবু ।

মরুপ—প্রমিলাসে ভোৎ লেপকদৌরিয়ে অতুননি ঐখোয় ময়াম মসিদা লাকলিবসে খুরা ইবুংঙো ।

মাধব— হায় মমা ! সিদা লাওনে, নংবু য়ারবদি অমুক্তা খামহৌনে । (মমাদা ইনবা)

ময়াম—বারৌবীমু, বারৌবীমু শোইদনা কারদবনি ।

প্রমিলা—(থোরকপা) মস্নাম ঙাইহাক ঙাইবীরে বারোবীসু চা অগমমদং পাইবীয়ু (ময়ামদা চা পী) ইমা ! পাবগা চংমিম্রখ্রো ঐখোস্নসিদা করি করি খজিক্তা খম্নজগে ।

(মমা মপা মুম্ন মেংলমলগা চংখিবা, সুরেস চংলকপা)

সুরেস—প্রমিলা ! প্রমিলা নং ভোৎ লেপকদৌরি হায়বা চুমত্রা ?

প্রমিলা— হোয় ! তামো. লেংশিনবিরকউ ।

সুরেস— মেংঙোই, নখোয়গী কলেজদনে ঐগী মরুপ অমা লৈ মহাকত্তি ভোৎকী মরমদা নিয়ম য়াম্না খংবনি অদুগা মরুপ মপাংস্তু য়াম্না লৈবনি ঐনা হায়রবদি য়ানি মখোয়দা চৎলুসিরা ?

প্রমিলা—চৎলুসি ! তামো চা থকখো, চা লৌথোকউখিগে ।

সুরেস—সুমহায় ভোরসি—ঐ থকলরোই, ময়ামগা য়ারি শাদুনা লৈরমগো । ঐগী গারিদা হেকতা চৎলগে মসিনা ফরনি ।

প্রমিলা— হোয়, তামো য়োবিরুরো ।

সুরেস— অদুদি চৎলুখিগে । ময়াম ঙাইহকতং ফমবিহোখো ।

(চৎখীবা)

ময়াম— ফনি ফনি ।

প্রমিলা— তামো ! ইমর এজেন্ট, অসিনা কনা হাপসি হায়বা ?

ভোষা— মেংঙোই ! ঐখোয়না ইমুংদা লৈরবদি শোয়রনি অদুনা ঐখোয় মপানদা ক্লায়িং ভোৎসি হেক্তা হোৎনরগে অদুগা শিলাগী নংগনা কোইচেল চেন্দ্না ছাত্রগী জাৎসি হেক্তা তখৎলো করি হায়গে পীরা তাই ?

বীরা—মদুনা কৈ মরুপ, ঐখোয় অনিনা মনুংদা লৈরবনি শোয়-রনি। ঐখোয়ননি কাহনগদৌরিবা ভোংতি, মরুপ! য়াম্না লুবনিনে।

শিলা— ইত্তা খন্নরিবা অসিনা ফরনি, মখে য়ন' শোয়দনবা অদুম হোৎনজরনি। (শ্যামগা সুরেস কা থোরকপ)

সুরেস— মরুপ লৌবা লাকচারকনি। ঐখোয়গী ইচল অমা ভোং লেপকদৌরিয়ে অদুগীনে। অচিনবা লৈহৌব্রা?

শ্যাম— থোইদোকপা অচিনবা লৈহৌদে মরুপ।

বীরা— মসিদি ঐস্ত খংভিহে, মরুপ করম তৌবিরিবগে?

শ্যাম— মরুপ! কনা কনাগুম্বন' মুংভাইবগী ঈপাক্তা তওদুনা শান্নরি ঐ মন্ডাইরে হায়না, ঐস্ত মখোয়গুম্বা অরবগী ঈপাক্তা তাওদুনা শান্নজরিয়ে।

সুরেস— তোকওসে মরুপকী হৌনবী তৌরনি, ভোংকী মরমদা খন্নসি। মোরেল এণ্ড রিলিজনদনি লেপকদৌরিবসে, অদুনা শোয়বা য়াদে মরুপ।

শ্যাম— লেপকদৌরিববু করমবনো? ঐগীদি মরুপনা হায়রগা লোয়রে, শোয়ররোইয়ে।

সুরেস— (খুৎনা থিল্লগা তাকপা) অসিনি।

প্রমিলা— খরা শোয়বীমুকো—।

শ্যাম— মীং করি কৌবিবগে? সেরিয়েল নম্বর কয়ানো? করি মুমিৎতনো?

প্রমিলা— সেরিয়েল নম্বর অনি নি, ভোৎনা হয়েংনি।

বীরা— মরুপ ! মসি শোয়বা য়াদ্রকো । মরুপ ঐবু কাওরব্রা নোংমা কলেজদা ফী পীবদা থংনবদো ? পৈশা অচোয়বা, য়াওদদুনা মরুপতগী লৌখিবদো, কাওবিরব্রা ?

শ্যাম— (খল্লগা) ও ! নিংশিংজরে, বারোবীগনুকো ঐ চাওথোচবা নংচদে , কাওথোকখিবনা তৌজবনি ।

সুরেস— ময়াম অদুদি তায়ংগী লাইনিংদুনা হোৎনরুরসি, লেংলসি । (লেংলসি)

প্রমিলা— (মম কৌবা) ইমা ! ইমা অমুক্তা থোকপিরকউ । ঐ ময়ামসি অমুক্তা থিনদোকলুগে য়াসসিংসে অমুক্তা লোইশিনবীরমম্মু । (থোকখিবা)

তমু— (থোরকপ) হোয় ! হোয় থিনদোকউরো থিনদোকউরো । করম থাক্লগবা ঈশ্বর নংগী লিলানি ।

মাধব— (থোরকপা) হায়রু সুপী তারিবরা ?

তমু— হে ! করিনো ?

মাধ— প্রমিলাবু ভোৎ লেপকনি হায়রিবা অদুবু করম তৌরিবা জাৎনো য়ারবদি খামহৌসিনে । হৌজিক্তী কলেজ ইলেকসন অদুদি মখোয়গী জেনরেল ইলেকসনগা চপ মান্নরবনিনে ।

তমু— খংদ্রেদা মাইপাবুং ! মানা থোকপা তৌরসনু ।

মাধব— ফরে ফরে নমা নচা পাল্লো য়ুমসি । ঐদি অথাপ্পদগী লাকপা শাবগে, নখোয় পাল্লো । (প্রমিলা লাকপা)

প্রমিলা— ইমা ঐগী ভোৎ হয়েংনি লাইনিংবীয়ু । পৈশা থরা পীয়ু ঐনা মীগী পৈশা য়াম্না লৌশিনলুরে শিংদোকখিগে ।

মাধব— পৈশাবু কয়ানোনে ?

প্রমিলা— য়ামদেদা। লুপা ১,২০০ থকত্তা পীবকউ ।

মাধব— হরে কৃষ্ণনা গোবীন্দ ! লুপা ১ ২০০ থকত্তা পীরকউ হায়রবা (থবাক ময়েবা) করিগীনো ইবেম্মা অদুথক্তদি ?

প্রমিলা— মসিদি য়ামবু য়ামদ্রি।

মাধব— মসিস্ত য়ামদ্রিবা হরি হরি নখোয় নমা নচাসে ঐদি প্রান প্রোক প্রোক চাকলেকে···ঐ····।

তমু— মীগী শিঙ্জিন্নগদবা ঙাইহাক্তা ঙাইরবা মতমসিদা পীদবস্ত য়ারবোয়দবা কোক কোক পীথোকখ্রগ লোয়রবা পোৎসিদা ঙাংদুনা স্তম লৈরগদবনিসে।

মাধব— (মমাদা) নং নংকো (শাওনা য়ে'ংলম্লগা ইমু'দা পৈশা লৌবা চংখিবা।)

তমু— ইবেম্মা করিত্তা ব্রাকুম্ন ! ইমা ‌লৈরি নংনা পামবত্তা হায়য়ু ইমানা শোয়দনা পীগনি ব্রাকুম্ন । নপাগী মরা লৌরুম্ন ইচাসিদি ।

মাধব— (পৈশা পুরগা থোরকই. নাল্লগা চুপ্পি. পৈশা পী) লক্ষমী ইমা ইবেম্মা নংত্তনী ঐনা ম্নংশিজবা।

প্রমিলা— (পৈশা লৌরগ') ইমা ঐ চৎলুখিগে। (চৎখিবা

তমু— ইচানেনা মথকতস্থ শাৎত্রবা মথাদস্থ পোমত্রবা মানা তোগেমথৈ তোজ্ঞসমু মমা ঐ লৈরি ।

মাধব — হুং ! নঙকো নঙ (য়াম্না শাওনা) হায় য়েংনিংদে ইমুংদা চংখ্রোসে, মীৎ অসে ঈ কারকই। লিচৈ অসিনা নময়াং অচুদা তম তম লাওনা চিংঙক্কনি।

তমু — নুংঙাইবীরেদা ঐবু শাশনদোনা তম তম কা হায়না (মাধবনা ধমকা তৌবা তমু চেনখিবা)

মাধব — মমাগা মচানুপীগা মান্নৈ হায়বসে ঐখোয়গী ইমুংদা খংঙে মসিদা ঙাংকৌদ্রে ইচাসে মাংগদৌরি। লুখ্রেদা তাহবংপান। (চংখিবা)

লাইট ওফ

অনিশুবা পন্দুপ

লম্বেল

(তোম্বগা বীরগা য়ারী শাদুনা থোরকপা)

বীরা— ভাই ! নং থাদরমত্রা ?

তোম্বা— থাদরম্মী ।

বীরা— কনা কনাদা থ'দরম্মী জেনরেল 'সেক্রেটরি, ডিবেট, গেমস এন্দ স্পো'টস, ফাইনান্স, মোরেল এন্দ রিলিজন ময়াম অসিবু কনা কনাদা পীরম্বগে হায়বা ?

তোম্বা— ঐদি মরুপ য়াম্না লুরেনেহে !
মখোয় অতৈদি থংদেদো প্রমিলাগী অমা শোয়বা য়াদবা ! অদুদগী জেনরেল সেক্রেটরি লেপলিবা ইবোপিশক, মধু মখোয় অনিনিদনা হৌজিক কনটেস তৌরিবা অসে ।

বীরা— হোয়নে ! জর জর হায়থরকউনে ।

তোম্বা— মখোয় অনি অসে অমনা ইনাওনিদো অমনা ইশেলনিদো অদুনা অমনা অমদা পুকচেল লোম্বা য়াদে হায়দুনা ঐদি অনিমক থাদরমলে । মখোয়না হয়েং হা অদু তৌই অদুদা অদু থাদরমলে হায়বদো ঐখোয় অচাংমক নত্রবনিনা অনিমক পীরম্বা ।

বীরা— (পোপ পোপ হৈরগা) উম চুম্মী! মরুপ অদুম্মা ভৌগদবনি ভোং থাদবা হায়বদুদি, মরুপ নং পংগমুকো কয়েংমথৈ অদুমনা থাদোকো। মরুপ থংন চায়বা হায়বসে য়াম্মা লুবনি কাওগনু।

তোম্বা— হোয় মরুপ! ঐহাক য়াম্মা মুম্মা থম্লগা থাদবনি। মমৈদা জ্ঞান লাকতুনা অদুদগী মসিদি শোয়বা য়াবা নত্রে হায়দুনা—।

বীরা— মরুপ নংসিদি রাখল থনবগদি য়াম্মা ফজরিনে। নংগী রাখল অদুদি এমঃএ পাসি লাইনা পাশ তৌনি। মরুপ লাইরিক নিংথিনা তমতোকো শোয়রোই—।

তোম্বা— মরুপ নংনা অসুক য়াম্মা প্রমিলাগী ভোংতা থরাই য়াওরিবা অসি করিগীনো ?

বীরা— করিগীনো নংনা কংলিবা অদুবু নং পামত্রা ?

তোম্বা— হে ভাই! পামবগী বাদুদি য়াম্মা লাইত্রে ঐনা পাম্মী হায়দুনা নংনা পীবস্ত তমলোইদবদা।

বীরা— য়েংঙোই কলেজগী ভোং হায়বসে মশক মতৌ ফজবী, য়েংবদা চংখোঙবী হায়রবদি মনাক হেক নকউবদা তুগদোবা জাংতো মদুগী থরা হেন্না নোমনিংই।

তোম্বা— মসিবু করিগীনো ? ঐস্ত অদুম্না ফজবগীদমক থরাই হকচাং য়াওনা খোমনিংইনে।

বীরা— মসি ভোংকী নিয়মনি অদুননি ঐখোয় হৌজিকসু প্রমিলাগী কম্না খোমলিবসে। কবু ফজরবদি ছাত্র ময়াম

চংঙ্গুনা হেকত্তা কাহলি। মখোয় তুংগী সুবিধা য়েংঙ্গুনা প্রমিলা ত্তোং কানিয়ে, মশক ফজেয়ে।

ত্তোম্বো— চৎনবী ওইরবদি ঐখোয়স্ত লামদেদনা।

বীরা— লানদে ! চৎনবী থবক ত্তোবনি ঐখোয়দি।

(শ্যাম, প্রমিলা, হরাওনা লাকপা)

শ্যাম— ময়াম পুম্নমক প্রমিলা উচিন-নাচিম ত্তোং কারে।

ত্তোম্বা-বীরা— খুংঙাইরেদা মরুপ। য়াম্না ফয়ে—।

(খুৎ শোকপা)

বীরা— ঐনা হায়বদ্রুনিনে ! ঐদি মহালনা থংলবনি শোয়দনা কারনি হায়বসে।

ত্তোম্বা— চুম্মী ! নংসি মাইবীগা লৌগদবা মুপামি।

(ময়াম মোকপা)

শ্যাম— মরুপ লেংলশি, খুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা প্রমিলাখোয়দা পার্ট্রি মচা অমা ত্তৌরুসি করি হায়গে।

ময়াম— য়ে ....। য়াম্ন ফংরনে, ঙাইহাক পুৎরবা হায়বা অদুনি।

প্রমিলা— অদুদি ময়াম চৎলসি। (ময়াম চৎমিন্নখিবা)

লাইট ওফ

অহুমশুবা পন্দুপ

মফম—মাধবকী য়ুম

(প্রমিলা, তম্বু, মাধব থোরকপা)

তম্বু— মাইট পাবুং তাখিরিব্রা ?

মাধব— করিমো হায়রো তায়রে ।

তম্বু— টচাসে মদোম মথন্তুনিমা ঐদি ফুংশা পংখিদা খিয়ে । করিগুম্বা খুদোংথিবা মতমদা মথক্তা মবুং অদুগা মোপ্বা অমা লৈন্তুনা থীবী থোৎপী তৌনি হায়বস্তু লৈত্রে ।

মাধব— য়ে ! অদুগীদি য়ারুম্বু, হৌজিক কালগী ছাত্রানবু মবুং মোপ্বামক্তা চৎমিন্নদুনা লৈরিবা অসিবু, ঐথোয়না অদুক করি য়ারুনি । থাজবগা মোংমা চাকওন চারগা য়েংউ ! মতুদা নহাক ভাব তানি, চৎলিবদো পোকমিন্নবরা পোকমিন্নদবরা হায়ব, অদুদি হংউদবনিমা ঐস্তু খওদে ।

(প্রমিলা অমস্তুং মরুপ মপাং ময়াম চংলকপা)

প্রমিলা— ইমা ইমা ঐ ডোৎ কারে । ময়াম লেংশিনবীরকউ । ইমা ময়ামনা পুংশিনবীদুনা, হোৎনবীবদগী কারিবনি নত্রবদি ঐ শোয়রমগদবনি ।

তম্বু— কয়া হেনবগে নংনা ?

প্রমিলা— মঙাখক হেন্দূনা কারিবনি ।

তম্বু— ইবুংঙোখোয় ময়াম্না হোৎনবীদুনা নচলশি মংঙোল ওইরে, করিনা লমন শিংগনি । হায় ইবেম্মা ! করি করি চান-থক্লবা হোৎনরুচোদনা ।

প্রমিলা— হোয় ইমা ।

শ্যাম— য়ারনি ইন্দোন ঐখোয় ইংনা হোৎনজরগে ।

(তিকেন লাকপা)

তিকেন— থৃরাইবুংঙোখোয়গী ইচানুপীগ্ন ভোৎ কারেয়ে ।

মাধব— হোয় হোয় ইবুংঙো ভোৎ কারেয়ে । ফম্মু ফম্মু ইবুংঙো ।

শ্যাম— সুংশিজরবা ইচিল ইনাওশিং করিগুম্বা অমত্তা নিংশিংজগে । সিনি ! ঐখোয় ময়াম চংদুনা প্রমিলাবু ভোৎ কাহনবীরে । মসি মহাক্না কোৎনজমনগী মহৈ য় নবা হায়বা অদুনি । মসি নত্তুনা ঐনা করিগুম্বা থরা হায়জগে । ঐনা খ্বাইদগী পামজবা অমসুং নিংলকপা ওসি থরা কংজরে । মরমদি ময়াগসি লৈকায় অমমমদগীনি অদুনা ঐখোয়সি মৈতৈ মচা মশেন্নি । মরম অদুনা করিগুম্বা থবক অমা থোকপদা অমসুং হিংনবগী লম্বী শেম্বদা ময়ামনা থরাই হকচাং য়াওনা হোৎনসি । ঐখোয় অসে শোৎথহোরবা মীওই অমনি হায়বসে মাংদা তাদুনা লৈর-বনি । ঐনা খ্বায়দগী পামজবদি ইউনিটী লৈবা, ময়াম অসিতনি । অসি হায়রগা লোয়জয়গে ।

(ময়াম খুবাক খুবা, তিকেন ওম্থোকতুনা লৈবা)

[থবা লানাই ১৩ দা]

মরিগুরা পান্দুপা

লম্বেল

(শিলা কলেজ কাঙ্কপা, তোম্বা ইকায়না ইন্নবা)

তোম্বা — শিলা শিলা বা অমত্তা হায়জগে কুইরবনি, ঐ কোং-
লোকপা উমদনা লৈরিবা।

শিল — ঙা তোম্বো বরিনো ঁনা হায়রিবা অসিবু কোংদোকপা
উমদ্রেং ইনা হায়রিবা অসিবু মুংশি মুংভোলগী বারো ?
মাসার কাকপু তোকখিসিদা নংবু কদায়দা চৎকদো-
রিবনা ? নত্তে নংগী সিবু ইন্নরিবা হায়বদুরো ?

তোম্বা—(ইকায়নৌ) ইন্নবা নত্তে মুম মুংশু অমা চৎলুগে
লম্পাকপুলি, অদুদা ঐ হেক্ক খেংনবুনা কবিব্বা মুরা মতাং
কায়ি শিলা কোংদোকপোগা তোবরিবদা ওমদন্দা ওম-
চাকনদুনা লৈদোরে।

শিলা তোত্তোম্বা, উদিদিন নং থবক অমা চৎকনি হায়বদো নং
খোলান চৎখোকউরো। ঐ মাসদা ইমার্ম্নবী অমা লৈ
অমুক্কা উম্নরুখিগে। (চংগে তোবা)

—চচার

প্রমিলা— ঐদি রাকৈ রাতাপ্ত কৈছদে অশোয়-অশ্ব'ম ময়াসমা ঙাকপীগনি। ঐগী হায়ববু ঐনা করিঙস্ম। সেক্রেটরিসিপ অসিনা পাংথোকপা য়াবা পুন্নমক থর'য় য়াঙা হোৎ-নজগনি মতাং অসিরায়দা অস্তম—।

(ময়াম থুবাক থুবা)

শ্যাম— অদুদি ময়াম ঙাইহাকতং ইমুংলোমদা পোংথানবা—।

(তিকেন, তমু. মাধব মপান্দ লৈরোই, ময়ামনা ইমুংদা চংলুরগা য়ুম য়ুমদা হন্নখিবা।)

তিকেন— খুরা ইবুংঙো। কনানো ঙসিয় কদায় কপায়দগীনো? মফম মরাংদি থদন.....অ.....ঐহে য়সি মৈতৈ মচা পাশনি, হা অদুনি গাইনা ঙাংলিবা মান ভায়রগা হেক্ত য়াবদোনা, মসিবু মরি মতারে ?

মাধব— প্রমিলাগী মরুপনি। কপ য়দগী মরি মতানোদা।

তিকেন— প্রমিলাগী মরুপনি হায়বা! (লেম্ন শোনবা)

তমু— ও ইবংঙো! কলেজ কাবা হায়বসে সি ওইরে। ঐখোয়দি খংজদেয়ে। মরুপ মপাংদি পাক চাওনা লৈরে. হায়রুদুনা কান্নদ্রে। লেংশিল্লসে অঙাংশংগী মনাক্ত অমুক চংলুসি।

তিকেন— ঐ নোংমা লাকচরগে অদুগা থকমিল্লসি, ঙসিদি থবক অচিনবা অমা লৈহৌই। ময়াম শাওরমগদবা অডুননি রারোবীগন্ন। (চৎখিবা)

মাধব— য়াগ্রবনিনা হয়েং নোংমা থকমিন্নবা হায়বদুনি।

[কথা লামাই ১৩ দা] (চংমিন্নখিবা). লাইট ওফ

তোম্বা— এঃ এঃ শিলা ভাইখোও অদুমতায়না তৌম্নে। করি কান্নগনি, নখোয় ঐখোয়সি অঙাংমকম্ব নত্রে।

হৌজিকপু চিঠী থান্নবা হায়বদুম্ব....,নখোয়য়ুম ময়াদা লাকভুনা কোয়ে য়েংনবা অদুম্ব হৌজিক কান্দদি চৎনদ্রে। নংনা ভসি খোকলকলিবা অসুম হায়না থোকলকলগা উন্নবসে মসি চৎনরবনি হৌজিক কান্দদি, অদুগা থম্মোয়গী ফেংভমদবশিং অদু ফোংদোকপনা কৈ হায়বা। ফৎত্রনে?

শিলা— তা,তোম্বা নং চ নুগক্রিরা? ঐদি ভসাই মখৈ সুম হায়বিরোয় নিংই। নংদি চেক্রু মবু মোপ্পা লৈতবগী বাঙাং শ ভাং য়ুম্বা শিকিন্নি অদুম হায়নগা তোজ-লাকচম্নু।

(সুরেস লাকপা, মখোয়গী মওং মতৌ য়েংদুনা লৈবা)

তোম্বা— ভাইখো শিলা! নংনা হায়রিবা অসিবু মীভোন্দগা য়াম্না লক্ত খোৎনবগী বাঙাং তৌই। ঐ য়াম্না ইকায়রে, অদুনা নং সুমতায়না তৌরো, ঐদি করিগুম্বা মুংশি-সুংভোলগী মরমদা করিগুম্বা অমত্তা থনজদ্রি অদুনা কনাগুম্বা খোয়মু খ্যাংজেংবশিংশে পাইশিনবীরক্কনু হায়না নংগী ননংগন্দা চেক ইরগা থেৎলো। ঐদি চুম্না মুপী-মুপা ওইবগী মুংশি-মুংভোলগী, সুম ঐগী থম্মোয়দা লৈজবা অদু নংভোন্দা ফোংদোকচবনি। কৈ কনাগুম্বা ঐগুম্বা খোয়মু খ্যাংজেংবা অমত্তংগা চেক চৎমিন্নো মদুদা ঐগী ইগুন থংগনি।

সুরেশ—শিলা শিল, নং সিদা কৈদোরিবনো চৎশি লাকও।

শিলা— তাম্রেশ। তাম্রেশ থেনবা যাম্না ফারে য়েংউ ! আদা [illegible] [illegible]পালবা [illegible] [illegible], [illegible] চাবা [illegible]
[illegible] [illegible] ম [illegible] অসিদা [illegible] গ ইনা
[illegible] থত্তু [illegible]।

[illegible]— [illegible] মক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible]— [illegible] মানবা [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] ([illegible]) [illegible]

[illegible]— [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] (থংন-[illegible] [illegible]।

[illegible]— [illegible] কায়রমা[illegible] [illegible]।
[illegible] ([illegible])

[illegible]— [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] দোরে।
[illegible]— [illegible] [illegible] আশী [illegible] [illegible]রিবরো ?
[illegible]— [illegible]। [illegible] মিলা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]লোইনবী

ওইগে খল্লঙ্গনি । অতবু শোয়রে ময়মদি শ্যাম হায়রিবা মুপ' ত'সনা লৌগ্রনি হায়'সে ঐগী থাজদবনি ।

বীর — চুপ্পী মরুপ । উরিনা মনাক নকপা উপালদা য়েৎলি হায়বসে ঐখোয়না থ'ই অতনা শোয়রবোই ।

তিকেন — অত ওইববদি ম'গী মাংনবা হোৎনবা হোৎনবা তাই । অদু নত্রবদি ঐগী আশা পুরমক কায়বা তাই । ময়ম অদুনা মহাক হেক থেংনবা মকমদা মহাক হাৎপা অসি ঐগী আরেপ্পনি ।

বীরা — হাৎপদি ঐ য়াওজরোয় অদুগা নিংঙমদবগী ফুবা ফাওবদি ঐ য়াওজগে ।

তিকেন — নরিন য়াওদবা মাল্লিদা, লাও মহাক কদায়দা লৈবগে য়েংউসি । (চংকে তোবা, বীরনা উবা)

বীরা — তাইখো তাই । শ্যামগা প্রমিলাগা আদা লাকলে ।

(মখোয় অনি লোৎতুনা লৈ)

প্রমিলা — তামো শ্যাম কদায় য়োবীগদোরিবনো ?

শ্যাম — প্রমিলা কদে মদনো থংত্রে, ঐনা চৎকদোরিবা অসি । য়েংউ । ঐখে য়গী কলচরবু থাদোক্তুনা মীগী মতো তমদুনা অস্ম পুক্সি অসি লোইখিগদোরে । মসিগী খল্লুবদা ঐ ম'গুম থোকলে ।

(তিকেন চোগৎপা, বীর' লোৎপা অদুগা কোম্না ফুরকপা)

তিকেন — শ্যাম ! তাইখো নহাক খিরকলিবনি মকম অসিদা

থেংনবা য়াম্না ফয়ে, নংনা নি গদবা নিংঙৈরো

শ্যাম— করিনো মরুপ হায়বীরিবা বাসিবো। এনা বরম্বা থবক ভোরুবগী ?

বীরা— (থে রকপা) মরুপ শ্যাম, মীগী মকাদা য়েংলুবগীনি খংলব্রা। (প্রমিলা ঙকতুনা লৈব)

শ্যাম— কনাগী মফমদা থোয়দোকপা য়েংখিবা লৈতেনা এদি।

তিকেন— বীরা ! মখা ভারুম্ব থবক পাংথোকসি অদুনা ঐখোয়গী আশা থুংগনি। (মকোকতা খানম্লগা লোংখিবা) (প্রমিলানা সেবা ভোব, অদুগা পুখিবা, মরুমদগী তিকেন, বীরা থোরকপা)

তিকেন— মরুপ বীরা অসি মঙাইনে, মরমচংতুনা ফুবনি ঐখোয় করিস্ত লানদেনে হা—।

বীরা— ঐখোয় করিস্ত লানদেদা. মুপী কোয়নবদা মীনা লৌগ্রনি হায়দুনা ফুববু করি লাম্নি। মানা ঐখোয়দগী পোৎ হুরানবস্ত নৎতে, ঐখোয়দা ফুরকপগীস্ত নৎতে, ফগদবান অসিগুম্বা জাৎসিদ। এদি য়াম্না ফগ্রবা জাৎনি, মানা তুরিহৈদা থবাক্তা নেংপনিনে।

তিকেন— ফয়ে, ঐখোয় থবক অমা পাংথোকলে, অমা রাৎলি।

বীরা— অমনা করি অমুক।

তিকেন— অমনা প্রমিলা ফারগা লৌবা।

বীরা— ঐখোয়সিদি থোনা ফবা থবক য়াম্না পাংথোকদোরি। এদি মরুপ নংসিদি ননাক নকপবু কিবু কিরেনে।

তিকেন— হেরা ! তুমিন্না লৈয়ু চৎলসি লাকও। (চৎখিবা)

লাইট ওফ

মঙাশুবা পন্দুপ

মফম — শিলাগী য়ুম

(মাঙ্গোলনি। চৌকি, মোরানচিংবা লুনাম্না থারি।)

(স্থরেশ চংলকপা)

শিলা— সোমদা লেংশিনবীরকউ; করিগু তৌরোইরে।

ঐখোয় অনিখকতনে, ভামোংস্থ চৎথোকত্রমাগ্নে।

স্থরেশ— (চৌকিদা ফমই) য়াম্না সুংঙাইনা পাল্লিবা জাৎনিদনা

ঐখোয়দি অস্তম্ন পানবা ঙমলকখিগনি হায়বা থাজদ্রে।

শিলা— অচুম্ন ইকায়বা পীবিগনুদা।

স্থরেশ— ভশেংবনি শিলা, জগৎতগী তোনবা অসে লাইরবং-

সিমুক তোনবা লৈরমদ্রে।

(তিকেন, বীরা চংলকপা)

তিকেন— শিলা! মী লাকই চা থরা লোলুচো।

শিলা— চোয় তাম্মো; ঙাহাক ফমবিরমখো। ঐ অমুক্তা

হোৎনজরুখিগে। (চংখিবা)

তিকেন— সোমগী সিবু করি থবক্তো ?

স্থরেশ—ঐ স্থম শিলানা মখোয় য়ুমদা চৎলুসি হায়দুনা লাকচবনি।

তিকেন— হায়বদি কোয়না খোৎনবীগাইদু তৌরিব জাৎলনেহে নখোয়বু ?

বীরা— হোয়নে কয়াম কুইরবগে খংনবীবা ? মরি মতাগা য়াম্না নকশিন্নখ্রবা জাৎলে ?

তিকেন— বীরা তোকখো বাদু .... অ ঙসিদি চা থকমিন্নরশে অদুগা মতুংদগদি মফম অসিদা থেংনগুমসে। ঐহাকশুনে পাখংনি অদুগা বা য়াম্না হায়ররোয়। নংনা সুংশিজরগা ঐখোয় উহনদনা লোন্না হোৎনজো, নপান্দন অদু কুদোকচৌ হায়বা, অদুগ ঐখোয়গী মাপদগ হোৎনববদি নয়াংলেন শরু অদু তেকলে, অসিমদি কাওনুকো করি হায়গে বীরা ভাই।

বীরা— হোয়নে, ঐখোয় পম্মোয় চাকই হায়বা অসিদি লোন্নন্না ফোংনন্না কোয়নু, মায়রিবা অসিনি।

শিলা— (চা পুদুনা থোবকপ) তামো ! ঙাইব বারয়লগনি চাসে পাইবীয়ু (অমমম পীবা, সুরেসনা চা লোই)

তিকেন— শিলা ! নংনা তৌরিবা অসি য়েংবদা মীৎ নাই। ঐ মীমাংদা য়াম্না হায়ররোই, ইশা ইশানা ভাব তান্নসি।

সুরেন— বারোবীগন্ন ! ঐ য়েক্তজরগে।

(খূৎ লোন্না হাইরমগা চৎখিবা)

বীরা— কোয় খোরো, কদায়দগীনোনে ? মশাদি ইনান নাম্নদুনা ?

শিলা— তা বীরা অদুম হায়না তৌজ-লাকচবু কান চাদনা ।

(শাওনা চংখিবা)

থিংকন— হায় চংখ্রে ! হুরগোং চারোয়, ঈ শাগৎতুনা লাকলবা মচম আসদা শোমদা অমুক হেনগৎনবা থবক তৌরম্লীনেসে । বীরা চৎলসি লাকও । (চংখি)

লাইট অফ

তরুকশুবা পান্দুপ

লম্বেল

(শ্যাম অমসুং সুরেস ৱারিশ াদুনা লৈকপা ।)

সুরেস— মরুপ শ্যাম করি তৌরে কোক্তা পুল্লিবা অদুদি ?
(কোক্তা থায়ফেৎ য়েংবা)

শ্যাম— মরুপ অসিনি । ঐখোয় তুইবং মীওংবী শিনৎ-শাজং করিসু লৈতবা থবক্তা মখোন মরিংজেল অইবা মথৌ ফংদোক্কুনা ফংরম্মী মরুপ তিকেননা ।
ঐখোয়গী থৌনা লিংজেল অমে করিগুম্বা শিজিন্নবনা লৈরেনে মরুপ ।

সুরেস— করম্বা মরমগীনো মরুপ ?

শ্যাম— থংদ্রে মরুপ । মহাক অমুক্তা থেংনবা লাই নিংবিয়ু অদুগা ভাব তৌগনি । (তিকেন, বীরা লাকই শ্যাম উবদা চেনগে তাং শানা মনা খম্মী)

শ্যাম— ও ! তিকেন বাবু অমুক্ত চুইবিখে, করিনো লেংলগেরা ? ৱারি মচা অমত্তা শাখসে ।

তিকেন— করি ৱারিনিনা ?

শ্যাম— কাওথোকপিরবা অদোমনা ঐ.ভান্দা—হা—হা— ।
লৌথোকচরি ঐগী কোকতগীসে ।

ত্রিকেন— ও ! অদুগীদি নোংমা .... ।

শ্যাম— ও ! ত্রিকেন বাবু ঐসু নুপানিনে । অদোমগুম্বা খুৎ অনি পাবা, কারসু রাংতে ঐসু ত্রিকেন বাবুগা চপ মান্নরনে মরুপ সুরেস ।

সুরেস— মরুপ অদুগী রাদি মহাকসু মীনি, ঐখোয়সু মীনি ।

শ্যাম— মরুপ ত্রিকেন হায়বীগে তাজো নং খংদ্রমলে, মীওইবা ঐখোয়না শা-ডাগী লিচৎ চৎলবদি মী অদু খুদক্তা নেরোক কোমদা তাবনি । অদুগা শা-ডা অদুনা মীওইবা অদুগী শাজৎ লৌববদি শা-ডা অদু খুংক অদুদ পুন্য ফংবনি । মসি কাওগনু ।

(বীরা ইকায়ন চৎখিগে তৌবা)

সুরেস— মরুপ বীরা ভাইবীখোনে; ঐখোয়গী মরুপ শ্যামনা হায়রিবা পাট্টি কংসে খংবদা কান্নবনে তাবিয়ু মুন্না, লিচৎ-শাজৎ চুমনবা শংদাদি ওস্তারা কান্নবা জাৎনি ।

শ্যাম— নখোয়বু এন লংন খুমগে হায়রবদি য়াম্না লাইনা থোকই, মতু খুননিংদে । মী অমদা ফংতবা তৌরংরবদি দণ্ড মচা অমা ফবনি, মতু ঐন ফংহন্নবা হোৎনবা ভস্মী । তত্তুবু মরুপনা শাডাদোনা চৎ-মান খাক্তুনা লৈফম চাফম খংদনা চেনবদো মরুপ ঐদি য়েংজনিংদে।

অদুনা লিচংতো থাদোকউ মরুপ. য়েৌবীরো নোংমা টম্নশি। (ত্রিকেন ইকায়না চৎশীব)

সুরেস— মরুপ শ্যাম, মখোয়শি অমুক হল্লক্তনিকো।

শ্যাম— মরুপ শিমগু'ই. করি অমুক চ'য়গনি মখো'য়গ মন্নবা য়াবা নত্তে। তুডুনা লৈরিবা মীবু অদুক তুরিদেদা নেং-শিনবীরবদি নেংলিবা মী অদু অফবা ওইরোই মী কনগদবনি মরুপ, মী কনগদবনি।

(তোম্বা ভাংডুনা লাকই. শিলাম্ব মতুংদা লাকই)

তোম্বা— ইসিদি মা ঙংনি হেক থংবা মযাম — মানা ঐগোন্দা চায়শিবশিং অদু তৌজিক মাংনা কাওদ্রিবা জাংনি। মানা নুপা অম লাকপা অদুগী মংগদা গপকা তৌরডুনা ঐবু নরিশু নৈতনা থনবা থম্মোয়সে পুবা য়াদ্রিবা জাংনি।

শ্যাম— (মখোয় অনি উবা) মরুপ তোম্বা করি তৌবিরবগে, থম্মোয় অদুক মুংঙাইতনা লাকপিরিবা অদুবু ?

তোম্বা— (মুন্না য়েংব সুরেস উবদা ইকায়বা) মরুপ শ্যামগী, মীভেন্দা পৈশা পুথোকখিবা থৌনবসিদি মীগাসে তুম্মিৎতৌনা উরকই। মশানা থংনা কোক পিথোক-লবদি ফবা, থম্মোয়সে প্রোক প্রোক চাকলবা জংনি।

শ্যাম— খংদ্রেনে, তৌজিক কাল অসিনা পৈশা থৌরুরে মখোয়না হেন্না শিংভিল্লকপা অসিদা ....।

সুরেস— মরুপ শ্যাম ! লেংলসে; ঐ থবক অরুবা অমা লৈরে,
খরা থুনা চৎনবা তৌরসে ।

শ্যাম— মরুপ য়োক্তর.গ (সুরেসনা তোম্বদা য়েংবা. চৎখিবা)

তোম্বা— য়োবীরে, ঐ মী অমত ঙাইজহৌখিগে ।

(শিলা কলেজ কারকই)

তোম্বা— হায় ! শিলা ঙাইখো, নংবু ঐনা কলেজ কাবা ঙাইরকপশিদা লম্বী চৎপা মীনা মুম্ন মশক খংনররবনি । অদুগা নংনা ঐ উবগা চেনগে তৌরিবা কাংগীনো ? তায়রু. নং চেনবা য়ংবোই । ঙসিদি ঐগী অবোয়রবনি ।

শিলা — (কিনা) তাতোম্বা ঙাওশিন্নগনুসে, ঐ চৎকেসে; নংনা তৌরিবা অসিবু উশিৎতদুনা তৌরিত্রা, ঐগীস্ত নংগুম্বা ইবুং লৈরিবা জাৎনি ।

তোম্বা— নংগী নবুং লঙ্কা কনবা/ ওইরবস্ত, মী লিশিং লিশিং হাৎপা ওইরবস্ত, ঐ ঙসিদি করিস্ত ওইদনা খল্লি ।

(শিলাগী মনাক্তা চংশিনবা)

শিলা— চংশিল্লকনু চংশিল্লকনু ! নমাই ঙাওশিন্নুকো ঙাওশিন্নুকো । (চৎথোকপা. তোম্বনা চেনশিল্লগা খুদাং তাপ পায়রগা চিংবা)

শিলা— ও ! কমা কনা লৈবগে ? ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু. ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু ।

তোম্বা— হে ! লাওখোংদুনা তৌগনু, মী অভাবনা হাপ্রগা সুপীচিংবা মানখিনি, তুংগিন্না লৈয়ু. তুংগিন্না লৈয়ু ।

মাধব— (তোম্বা লাকপা উবা) আই ! তাকোম্বানিনেফ, হায় তোম্বা কৈদৌরিবনো ? নংনা তৌরিবা অদুবু করিনে। ? থাদোকউনে সুপী অদু।

তোম্বা— ঙনিদি কনানো মাংদ লৈরম্বা মী থংদে, শা থংদে চনদোকচহৌ নত্রবদি নথরাই অদু স্বর্গদ। পাইজখিনি।

মাধব— (থবাক য়েবা) কৌভিক্ক'ন নক্রোল অসিগী ঙাঙাং-শাঙাং অসিদি, য়েংউশে ! সুপীবু শাম্ন-পাংকুম থনবা, লম্বী লমথাংদা চৎচবী, স্তু-বলেঙ বাঙবী সুপী অঙাংশিংশে অসুমনা তৌদুনা চৎচবা অমম্না ঙমত্রবনিনে। কৈ লৈরম্মু কভবশিংশে কাৎলগা লেয়রে।

(চৈ অমা পায়রগা চেনশিনবা)

তোম্বা— হে অহল ! ম্রাদ্রেদন্না অদুদি থংনি। (থাং শৎপা ধমকা তৌবা)

মাধব— (থর চনদোকপ') নংগী থাংগা চৈ অসিগা কনানা ঙমগনি হায়রিবনো। (মখোয় অনি চৈগা থাংগা মুকনবা, চৈ অদু ভাখিবা তোম্বনা থুনবা সুপী পুরগা চেনগে তৌবা অমুক থৎপা)

তোম্বা— মসিগী অহল অসি শিবা তারে করম তৌনি সিদি, অপনবা পীবা মী অসিদা কাৎতোবলগা লোইরে।

(শিলা থাদোকপা)

মাধব— (কি শেমলগা মুক্না ফিভমদা লৈবা) লাও লাও ঐসু

লৈক্লাই অসিদা মুক্লাদা ফাওরিবা মীশক অমনি করিগী চল্লনি।

তোম্বা— থাং অসিদা মানা তৌরিবা অসি য়েংউনে। থাইনগী অংল হায়বশে খেৎনেগ্রেদা হৌজিক কালগা। ফুবদি লায়রবুনা নোকপু নোক্লিংঙিনে ঐদি।

মাধব— কে নোক্লমু ! নখো পাংথোকউ।

তোম্বা— মসিদি থাংগাসি থম্বু থমখিগেদা॥ (থাং থম্বা, য়েংবা, অমনা কিনগী অমনা মুক্লাগী কিভমদা য়ৈনবা তোম্বনা মাইদা কিম্ব খিনব। অদুদা মাধব তুবুনা লৈহৌবা। তুরিঙৈদা শিলা পুরগা চেনখিবা।)

মাধব— (মাই নাল্লগা হৌগৎপা) হেরা খংগনি খেংনবা মকমদা।

(তিকেন, বীরা থোরকপা)

তিকেন— পুরা কৈদৌরে ? (থগৎনা)

বীরা— করিনা থেংনমশিবানা খিনা শোক্লমাল্লেনে ?

মাধব— তিকেন নহাক থেংনবা য়াম্না নুংঙাইরে। ঐ নখোয়দা লাকে তৌরম্লিবনি, ঐগী মাই অসিদা থারম্বা অদুদা তনদন হেক পাইখিদুনা হৌগৎপা য়াদদুনা লৈরম্লিবনি ! সুমৎাই তৌই, নচল অদো চিংগ্রে মদু খামল্লুবনা শোকলিবনি ঐ অসে। (অশোকপদা নাল্ল-নাল্লগা হায়বা)

তিকেন— বীরা ঐখোয়গী থবক লাইরি. অমুক্তা তাম্নকশি—।
খুরা মশকতি খংহৌত্রা ?

মাধব— করি হায়য়ে মাগী তোম্বা হায়ত্রা কৈনো, য়োংগী মচা অদুনিনে।

বীরা— লাকচৈদা লায়না হেকপ্রেদা কৈনো অমুনবা অমা অস্তক কম্ন শেম্নরিবা ঐগে, লিকলি মরক্তা শন হেক হোইজিনদুনা তোকইদা। (চৎথিবা)

লাইট অফ

তরেৎশুবা পন্দুপ

মফম—মাধবকা য়ুম

(ফমেলদ' ফক অমা থাই মোরা, হিদাকফুনচিংবা লৈ।)

তমু—(মাঙোলদা পোং চৈ লোইশিন লোইশিন্না) মীরোল লৈতবা তাম্বশিনি ওন্থোক্লা রাখ্রে। করি মখোয়গী ফোমলি প্লানিং হায়ব্রা কৈনো অদুনা মরোল অমা, অনি নত্তগা অত্তুমনা ওক্লশি তায় ঐখোয়দনা মী তাঙবনা য়ুম অসে পান্নবা মী লৈবোইদোরে। মসিনা কম দীগা. ঐখোয়দি থ জন্দ্রদা হৌজিকানগী চৎনবীশি।

মাধব—(য়াম্না রানা নকোবা) তমু তমু অরিব্রনেহে মমা নংবো অমুক্ত লাওনে, ঐ করিনো অমা তৌরেনে।

তমু—(মওং অদু উবদ পাথনা) হা! কৈদোরবগে. গাড়িনগা শোকলব্ররানি; নত্তে তুশিন খোৎচিনদুনগা তৌরব্রাইমী।

মাধব—(শর নপী হোল্লগ) মখোয়গী তোম্বা হায়ব্র কৈনো অদুনা নুপী মচা অমা চিংদুনা লৈরম্মে নুপী অদুনা ঐগী থরায়দদি কনবীয়ু হায়রকপদা ঐস্থ হেক থেংনরুরে,

মচু কল্লবদা সুপা মচা অদুনা ঐগী মাই অসিদা মাগী কিন অদুনা থিল্লমলিবমিনে । মচুনা ঐ লোংনা তাদুনা লৈহৌরে । য়ে ! ঐ থরাই সুংঙাইতে — ।

তমু— (থর থল্লগা) য়্যোং পীকনাও মানস্ত অহল অশেংনবা অসিদা অকনবা শারদনা মা খংগনি লৈরমসনু মেথৎকে ।

(ইম্নফিনা খাংদা লেপ, চৎকে তৌ)

তোম্বা—(সুপী পুরগা চংলকপ মাধবতা খুক্তম্রগা হায়জব) খুরা ইবুংঙো ঐ ঙশাই লাক্লগ্রে, মবমদি সুপী মচা অসি লোনবা লোৎনবদা চৎহৈন্দ্রবা লিচৎ চৎগ্রে । মচুগীদমক নচা অপোকপনি হায়না খনবীদুনা ঐবু ঙাকপীয়ু ।

তমু— করি ? নংনা অহল অসিদা ফুমহৈ ফদোকলগা ঙাকপীয়ু হায়রিনেশে । করিগী ঙাকপীগনি, লৱাই লেমফু অদুদা শুধগে লৈরম্মু । (শুগে তৌব)

মাধব— (ঙাইথো মমা ! মী অমনা লাংগ্লে হায়জরবদি ঙাকপীশি । মহাকস্তু তৌদবা য়াদবা থবক ওইদুনা তৌখিবতনি, ঐস্ত শিতৌদ্রেদনা ।

তমু— মসিগী অহল অসিগা লৈমিন্নদুনা ঐ মা ওৎররোই মীনস্তু ঊশিৎলরোই । ঐ ওইরবদি খুজিন্না অমুক্তা ওইরবস্তু শিকহৌগদবনি ।

তোম্বা— (থরা হরাওনা) থায়নগী অহল হায়বশি শি ওইরে, হায়বু হায়জরবদি মী অদুবু হেকতা কনবী । মসিনা

থায়নগী অহলশিংদি মলোম লৈনদে হায়বশি ঐ ঙসি
খংঙেব', অদুগা লৌক্সিক্কালদা ওইরবদি ঐ থবাক অসিদা
কাওরকপদা ঐ শিনেবা। ইহে! খুরা ইবুংঙো প্রেমি
লৈত্রা, লৈরবদি অমুক্তা কোথোকপিরকউ।

মাধব— লৈরমনিনা। (প্রেমি কৌবা)

প্রেমিলা— (থেরকপ) পাবু' করি হায়গে ?

মাধব— নংগী ত'তোম্বনা কৌবনি।

প্রেমিলা— হায় তাতোম্ব! করি থবক্তীনো? লাও কম্মু লা—ও।

তোম্ব — অ —অসে, ন গা অমুকতা লৈমিন্নৌ হায়দুনা থেরক-
পনি। অমুক্তা থুনা চংশ্রো, মবুংগা লাকলবদি নাতৈ
চাররোয়, ঐ ....।

প্রমিলা— হায়মা! শিলা নং তুইরে ঙশাইনা চংলকপা য়াস্ত্রো,
লাক ও চংলসি।

তম্বু— লাকও লাকও চংলশি, ইচাশিংদি মুংঙাইনা হেক
লৈপোকলগ' লোইরে। (চংখিবা)

তিকেন— (মাধবকী ময়ুমদা লাকই) খুরাইবুংঙোখোয়দা ঐগী
ইচলমুপী থৈরকই হায়বসি ঐ তরে অদুনা অমুক্তা
পুথোকপিরকউ মুপা অদু মশক খংগে। ঐগী ইচলবু
চিংনি হায়না চিংলিবা মুপা অদুবু কয়াম মরিল লৈবা
মুপানো ঙসিদি খংগনি।

(তোম্বা তিকেন্না ফমগদোরিবা চৌকি অদুগী মখাদা য়াম্না কিনা নিকতুনা লৈ ।)

মাধব— তপথখোনে ইবুংঙো থোকউরবা বাম্নি জ্ঞন তানা খন্নশিনে । লাওনে চৌকি অসিদা অমুক্তা পোংথাখোনে । (ফম্বা)

তিকেন— ঐ ফম্নগা য়ারকাত্র সুপা অদুদা উনিংলে মাবুতা খেংনরগা মথুরাই অদু তক থুদেকত্রিশাওবা ঐ ইংকা লৈবা ঙম্মরে ই ।

মাধব— ঙাইখোনে ইবুংঙো তাথখোনে । (ফমহনবা)

শ্যাম— (চংলকপা) ময ম িনবীরাম্নব অসিবু নরি তোনব যাওরব.গ ?

মাধব— য়ে ইবুংঙো তিকেনগী মচল অদু চিংগ্রে অদুদা খন্নরিব ।

শ্যাম— কনানা ?

মাধব— অদুবুদি উরগ খংগনি ।

তিকেন মরুপ ঐ খাংফম খংদ্রে য়াম্ন উশিংতনা কৌগ্র ।

শ্যাম— খুরা ইবুংঙো মখোয় অদুবু কদোমদা লৈ ,হায়বগে ?

মাধব— মখোয়দুবুদি ঐখোয়দা লা কতুনা লৈয়ে ।

শ্যাম— সুপা অদু কৌথে কপীরকউ ।

মাধব— তোম্বা তোম্বা থোকলকউ লাও ।

(তোম্বা য়াম্না কিনা শ্যামগী মনাক্তা চংখিবা)

তিকেন—ময় নং ওইরে ! লৈরম্মু খংনি নঙক অদু থাও অসিন হায়দৎকে (চেনশিনগে তোবা)

শ্যাম—মরুপ অমুক্তা ঙাইবিখো থোকনরিবা থবক অসি অতে'প্প' কনা অমস্তা ওইরমগ্রে, মরুপ মপাং ঙাক্তা ওইরমগে অদুন য়াববদি থোকপ্রবা থোদোকনি তেনশিন্নবা তাইশিন্নবা হোৎনশি।

তিকেন— মরুপ ঙাইবিখো, মহাক অসি ঐগী চৈথেং অমুক্তা কংজনগে নত্রবদি ঐ খাংবা ঙমলরোই।

(তোম্বা কিনা শ্যামগী মরুমদা লোৎপা)

শ্যাম— চুম্মী মরুপ অদোমগীদি হেক পোকমিন্নবা নচলনি তোকম থোকপা থবকনি।

মাধব — ইবুংঙো ! তিকেন্দা নংগী মরুপনস্তু হায়বিরে, হনদক্তী খোংফম অসি খরা খনবীয়ু।

তিকেন— করে ! ঐগী ইচল অদু অমুক্তা পুথোকপীরকউ। মক্কী মচিল অমুক্তা হংজগে অদুগা ঐগী তোকম থোকপা থবক লোয়খোকলমগে। করিগুম্বা য়ারমত্রবদি তোম্বা খুদোং কয়া চারোই।

শ্যাম — চুম্মী মরুপ শা-কৈদনবু মমাগী মথানুংদা কোনজবা মচা অদুবু চিংথোকলা চাথোকপনি। অদোমগী ইচলশি হাৎতোকে হায়বা ওইরমলোই হাৎতোকে হায়রবদি ঐথোয় ঙসি উমরিবসি উমরমলোয়।

চুম্মী মহাকস্তু শাগী লিচৎ খরদি য়াওই অদুবু ঐখোয় মীওইবস্তু ঈশিংদা মুংঙাইনা শমঙ্করিবা. মাহা থাঙ্করিবা ঙম্মুশিং অদুবু ঐখোয়না মপী ফারগা চাগোকই অমানি ! মরুপ মীওইবস্ত শিংদুনা অদুম লৈরে ।

মাধব— প্রেমি প্রেমি নত্তা অদু পুথোরকউ মচিন হংনবা ।

তোম্বা— ঐ ইমুংদা অমুক্তা চংজকগে

তিকেন— চংবা য়াবোই । (শাওনা কায়, তোম্ব হক্তিনদুনা মুংঙাইতনা লৈ তমু প্রেমি শিপা থোরকই)

তোম্বা— (শিলাদা) হায় শোমদ লাও ।

তিকেন— নং নশানা য়াব্রা য়ানব্রা শেন খুম্ব । হেক্তিকতি নবুং লাকলে করি অমত্তা মুংশা থিরুম্ব ।

(তোম্বা কপনিং কপনিং তোরগা খুৎনা য়াই হায়বগী মওংদা পঙখত্তা খৎপা)

শিলা— (কোইয়েং য়েংলগা) আ—আ ঐ ইশানা য়া…… ।

তিকেন— নংনা অপামবদা হেকত্তা হায়দোকউ ইচলশিদি মী থিক তোগে ।

শিলা— ঐ ইশানা য়াজরে তাচৌ ।

তমু— অদুনিদনা ইচাশিদি লাও লাও ইমাগা লৈমিন্নশি ।

তিকেন— অদুরা ! ইমা, ইপা মশক খংহোদে হায়দুনা নংনা হায়রিগখৈ য়াদুনা লাকপদি মীমাংদা চোপ্পীবা অসিনা নংবু লুনা তৌজরকপগী কল , মসিগী খল্লুববদি নখোয়

নিংথৌলশে থবক্ত শুকনদুনা মপালগা সুংথোক খোক-
কনদন শারং মনুংদ লেবা শাদোনা থমগদবা জাংনি।
ইকাইন নত্তনা ঐনা থিরকপগী ফল করিস্ত ফংবে।

মাধব — ইবুংঙো নখোয় অদি খোইরম্মু।

তেম্ব — (খোইরুম) ইবাইবু ঙাকপীয়ু। (তিকেন শাওনা লেথোকতুনা লৈবা)

বীর — (চেনথোকপা) কনানো শিলা চিংই হায়বা সুপাদো? ঐঙোন্দ মশক অমুক্তা তাকউ ঐগী থম্মোয়শে চাকতুনা থাংফম থংদন, চেল্লকপানি। মীহুনগাশি ভুং ভুং তুনিবনি কদায় কদায়।

তি.কন — বীর কাম্নবে লাও — শাওকনমু চংলশি।
(তিকেন চংখিবা)

বীর — মশক অমুক্ত তাকউ, মশক অমুক্তা তাকউ।
(য়াম্না শাওনা চোংবা)

মাধব — আ ইবুংঙো লিংজেল লৈব, নংনা করিস্ত তৌবা মারোইদবদা চোং-কন্দুনা তৌরিবা অদুবু নখোং নথুং তেকলগা অমুক ডাক্তরদা চেন্নি য়োরো। সুপী লৌবা সুপাবুদি তোম্বনি।

বীর — হে! তোম্বা নং ওইরে, নংনা হানখিকো। নং ওইরমগ্রবদি থংগদবনিকো। (কপনিং কপনিং হায়রম্লগা চংখিবা)

সুরেশ— (থারকপা) মরুপ থিরকলিবনি, থেংনবা য়াম্না মুংঙাইরে ।

শ্যাম— করি ভোরে মরুপ ?

সুরেশ— ঙসি ঐগী নিংঙমজ্রবা য়াহৈ থর ফেংদোকচগে শিলা থংবিরিনিনা ?

শ্যাম— থংঙিনা ! মহাকতি কৌজিকতা তোম্বনা লোচ্নুনা পুরগা চৎত্রে, মদুগী য়াথোক লোইবদা ঙাইরি মরুপ ।

সুরেশ— ডাক্তরে পাও ঐস্ত, কায়রবা থম্মোইনি, নিংঙমজ্রবা য়াথম্না থল্লু থল্লুরগ ঐহাক সংসার অসি মংঙুমত্রে। মরুপ ! চারে চাফম থংদে, তুমলে তুংযম থংদে । মাগী য়াথলতনা ঐহাক ফুমবংনরে অদুগ মাগী য়ারিশি কনাগুম্বা মরুপ অমদা লিরগা ঐগী য়থলসে থরা পোৎথাবগুম ভোই মসিবু করিগীনো মরুপ ঐনা থনত্রে মুপী কৌবতা ওম্না য়েংজগ্রারোই ।

শ্যাম— হৌনবীনি, মরুপ মরুপ চাকখিনি চাকখিনি মতম থরা য়েংঙোই ! মরুপতি থম্মোই থরবু কল্লি । কনাগুম্বা মীওই থরদি মুপী কাইনবদগী ঙাওখি, শিন্নবা ফাওবা য়াওরবনি । মরুপ অদুগা কনাগুম্বা থরনা মানা ময়ুম হেক পানগ্রবদি, ঐ মাগী মমাংদা অমুক্তা অফাওবা অকবা মী অমা ওইনবা হোৎনগে হায়না ভানবস্তু য়াওই । অদুনা মরুপস্ত অফাওবা অমা ওইনবা হোৎনবনা কৈ ।

করিসু নৈত্তব রাখলত্তদা য়াম্না শিজিন্নবা ফাত্ত । মকুপ, কুংাশ কু শি কায়ং বনি অপাম কুংশি থুংনবনি । অপাম-বননি শিনি ননি খংদন মচাকপু কাবনি খংদে, চিংবনি খংদে লৌনরিবা অসে ।

সুরেস— ফরে ৷ কুপ । মকী বাশি লেপলশি, খল্ল খল্লগা ঐহাক নৈফম খংভনাত্রে ।

শ্যাম — অগদি মহলসু থোকলকাত্রে । লংশিলশি ইমুংদা চৎলগে হ য়ুকরসি । রাখলনো থাদাকপিরো, কুপীদি মশিং খিডুমদনা নৈবনি । (চংখিব)

লাইট অফ

নিপালশুলা পন্দূপ

মফম— তোম্বগী য়ুম

(মাঙ্গোলদ চৌকি মোরানচিংবা মফম চানা থারি)

(তোম্বা, শিলা থোরকপা)

তোম্বা— নৈবাক মচাশা ! সুপীশিংদি ফাবনি খংদে করিনো অমা হেক তৌরগা লৌবা নত্রবদি মখোয়শিংদি হা শকতাথি, হা পেংগুন মানবা গাইনা হবনরিবা জাংনি। ফারগা লৌবসে মশিনা মতিক চাবনি, অদুনা হেক লৌবা।

শিলা— অদুম হায়না হায়রজ লাকচস্তু। নশক থী হায়বগী থী হায়বনি। নত্তে ! নংবু থীবু থীত্রা।

তোম্বা— খংঙে ইবেম্মা, হৌজিক্কান সুপীশিংশে নঙোন্দগীনচিংবা মোতে'র, ভেসপা খোদুনবু লাক্লবদি হেক্তা য়াখ্রে। মখোয়দু এমঃ এঃনি খংদে, ভেসপা শেম্বনি খংদে করম তৌরিবনো, হয়েং নুংশিদুনা চেল্লুরগা হা মাদি গাড়ি শেম্বনি ! হা অদু তৌবনি হায়দুনা অমুক ময়ুমদা হলক্লে। মদুদগী মহাক অমাঙবা হায়দু ওইরে।

অদুনা নুপী অদুনা পাম্বনি গাড়ি অদুবুনি, মতুদা চেক শোয়বা। এদি পেল্লি কাথরিবা অসিনি, এগীদি গাড়িদা লৈজগে অদুনা অমাম্বা মমা ফারগা চেক্লা লোবা মাসনা কৈ।

বীরা— (থোরকপা) মী দাঙ্গ য়াব তায়বগে মশক মতোংগাশি রেংবদা চাফদা ফাইজকে।

তোম্বা— মরুপ মীশংশে খব চ কংনগে তোবনিদ, বারোগদ্রকো।

বীর— ব অসি থাবদা এ খম্বা উমলোইদোরি (চৎকে থোব)

মাধব— (থোরকপা) কা ইবুংঙো করম করম পাল্লি? এ পৈশা থাবা লাক্লিবনিনে ....।

তোম্ব— খুর ইবুংঙো! করম্বা পৈশানোনে? এ খনফম খংজদ্রেনে।

মাধব— নংনা নুপীশি লোবদা এনা কয়াম রাখি। চৈশু চবা, মবুংসু য়ানবা হোৎনবা....। পৈশা, নংনা খল্লগা অদুম তোয়কউ।

বীরা— হায়রিবশিবু খুরা ইবুংঙোনা নুপীশি শেম্বগী বাবো? শেল তোনবদোনা চেক্লা থোরিবা অসিবু।

তোম্বা— হায় চা খরা লোল্লুচো, মী য়ারি শাম্নগে।

(শিলা চংখিবা)

মাধব— হা ইবুংঙো এখোয় মসুংদা খরা লৌনগদবা লৈয়ে অদুনা হায়নরিবনি। বারোবীনুদা অদোমদা থোগদবা লৈতে।

শ্যাম— (চংলকপা) ময়াম খুকুংজরি খুকুংজরি, কয়াম কুন্ট-
বিরবগে লাকপিবা । ঙসি মফম এসিদা পুন্‌বা য়াম্না
সুংঙাইবে । র'রি খরা শান্নশি মতাং চারিঙৈদা ।

বীর'— করম্বা ৱারিনো, ভোম্বগী ইমুং মনুংগী র'রিরো, মীফা
মীপুনগীরো ?

মাধব— মসিগী মুপা অসিনা তেক ঙাংঙিঙৈখ মফম মরাং
খংদনা পাংখ্রদা খুম্মীবসিবু, এদি মাগী মনাক্তা কম্বু
কিবু কিরেন । ঙাইহাকসু তুম্মিন্না মত ও ।

তোম্বা— ফনি মরুপ ! এহাক করম্বা মকমদা মতেং পাংগনি
হায়না খনজরিবনি । এনা অঙম্ব …য়ারিমখৈ তেংবাং-
জগনি, খন্নশি য়াক্ত ।

শ্যাম— ঙসি তিনবীরীব অংলল-লমন অমদি মরুপ মপাং-
শিংনা অশো'য় অঙাম ঙাকপীগনি ।
মৈবু ফিনা কুপতুনা খম্বা য়াদবগুম, এগী খম্মোযদা
চাকখংলক্লিব' মৈরিশে, নিংঙমদবা খোঞ্জেল্ন' লাওজরি ।
মৈতে মচা এখোয়শে মীগী মপোংনা ইপোং শা'নিনা
হৌজিক্তি মীপেং লোরুবগী থোরকলে । মতাং অসিদা
এখোয়গী পোক্লফম লমদম খাদোকপা তারব্রা; নত্রগা
শেনজাও পায়বা ময়াংক্লাকশিংদা মপোং পায়রগা হায়জবা
তারব্রা । মরমদি এখোয়গী পোক্লফম লমদমশে কনানা
কোইশিল্লকলি হায়বা অদু মুমা খল্লগা উবা ঙম্মী ।

অদুবু ঐগোম্না পাশিন্দুনা লৈরি। করম্না তিংগমগে হায়বা অডু ইবৈবাক মচাশিং ঐখোয়না খনকম থোক্লে, নবনি ভুয়েক চকুদা য়োকপগ চপা মান্নবনি। লোশিং-লুব পোংতি ফাবোগদগী, খঙ্গগী, চিনজাকতগী ফিজেৎ-কী পুম্নমক অবাইবা ভাংতনি। এদায়! ইমা নংনা শেম্লারম, শাবিরম্লা, ফীরোল, ভু-চাক কদায় চং প্র? থোজকনি নচ ঐগী চাউজবা তাকপিরো ইমানা, লমজিং অমত্তদা পুথরো। নচাশিংনা ইমাগী লমদ খুমজক্কে। মসি চায়রগা অদুম .... ।

(ময়াম্না ফজৈ ফজৈ তথরগা খুবাক খুই)

বীর — মসিগী খনুরবদি থৌজিকমক থেক .... । অদুবু তংোমতা চেংভুবা য়াদে, ফদি ফজৈয়ে। থেংজিকী রাইত ঐখোয়দি ভাথোংবা চবা হাওরবদি হাওই, হাওত্রবদি হাওতে কায়রিবা অসিনি।

মাধব— নবু ভাইকাকতা তুমিন্না লৈয়ু হায়মী, ঐ প্রান অশে চাকহৈক।

তোম্বা— মরুপ য়াম্না পেনজরে মরুপনা ঐখোয়বু লোয়না মীকপ থোকহল্লে। মরম্ ঐখোয়না যম যম থাগৎচরি।

(শিলানা চা পুথোরক্লগা মম্লামদা পি)

শ্যাম—শিলা চেকশিন্না হৈনা পাল্লু য়ুমপানবা হায়বশে তুরেনগী লৈভোইগুম কুপ্পী হায়নবনি। নং ভাব তানা লৈয়ুকো।

য়য়াম ঐ হায়ত্তরম্লগে । (চৎখিবা, য়য়াম চা থকপা লোইশিনবা)

য়য়াম— ফনি ফনি ।

থীরা— মসিগী মুপা অসি ঐনা সুম য়েংবদা পুকচেল চাওবা মানি ।

মাখোব— নং মুম্না য়েংলো, য়েংবা হৈবা ইবুংঙো । মী থুদিংমক য়েংউকো । ইবুংঙো তোম্বা নোংমা উম্বরসি, মসিগী মমাংদা ঐ খোংজাবী অসি কাইরক্তনোই ঐ য়োরে ।

(চৎখিব)

তোম্বা— নত্তে ! নখাম্নিনা য়া অমা হেক ঙাংনবগা য়েৎনরিবা অসিবু করিগীনো ? ঐবু টশিংতনা তোরিবা জাৎলা ।

থীরা— ঐদদি য়া ঙাংগ্ররোই, ঐনদি চুম্না হায়ত্তবা, অদুবু করিনো থংত্রেদা । ইবেম্মা শিলা নবুং য়োরগেংকো ।

(মুম্না য়েংবা, থবাক হৈরগা চৎখিব)

তোম্বা— মুম-কৈশে নিংথিনা য়েংশিল্লুম্মু । ফি-রোলচু ইন্দ্রী থর তকথোকলম্মু ঙসিদি সিনেমা য়েংঙুগে ।

শিলা— তকঅরনি ! নংগী মীনাইবো, চৎনিংলগা চৎচো, ঐস্থ নংনা হেক চৎখিবগা কোইথোকউগে । (চংখিবা)

তোম্বা— মখোয়শিদি ···· ! মখোয়দা অচাকপা য়া হায়তুনা লাকনগদবনি । মখোয়না নৈশারিবৈদো লাকনখিবা অদু থম্মু রগা কু-কুতুনা থমগদবজাৎনি ।

(কহ্নাই পুলিশ ইন্সপেক্তরগী ফিজেৎ শেৎলগা মথোইগী মমুমদা চংশকই অদুগা তোম্বদ হংলকই)

কান্হাই— ইবুংঙো শিলাখোয়গী মুখ ওইবিরব্রা ?

তোম্ব — (য়াম্না কিনা) অহাক ওইরমলে ।

কহ্নাই— মহাক্কী মুপা অদুদি নৈব উবিব্র ?

তোম্ব — নৈরম্বা য়াই, এদি মুপা অদুগী মমাম্নবনি অমুক্তা হংজরুখিগে ।

কহ্নাই — করিগীনো ইবুংঙোনা অদুক য়াম্না কিখিবা অদুবে ? নৈনাগ নৈবা ভাৎলা করিগীনো । ইমুংশিগী মী অমত্তা কৌথোকপীয়ু ।

তোম্ব — য়াম্না ফনি, কৌথোকচরুগে । অহোমদা পোথ'বীরম্মু ।

(চংখিবা)

কহ্নাই— (কপ্পী) করাদা নখোং চাত্রিবা মীনোনেশে । মীসে থেংনরবদি জ'ৎ ভাৎকী মীশে উবরকইকো অতকপনি ।

তোম্বা— (শিলা পুথ'রকপা) হায় ঐ নৈতে হায়রু । নংনা খোকপা অদুম ভা নরুচে, এরা দায় নৈতে লোৎলদবনি ।

(লোৎখিবা)

শিলা— অসিবু মুপানেনা ওনখোকপা মুপানিদা ।
(কম্হাইগী মনাকলোমদা খরা চংশিল্লগা) হায়মা ! মাম্মা করি থবকীনো ?

কহ্নাই— মাম্মসু মুখ কোয়খোকলকপনি. নখোয়গী ইবুংঙো

লৈত্রা কোথে কলকউনে মশক শংনজিদনা।

(কম্ব কৌবাবদগী শরা হয়াওনা থ কলকপা)

শিন— মায় অসদ লক্লিবা হসন।

কচাউ— তাসদি চুশাইনা হবে এদি মহোদ্দা হংবনা ওম্ব:
তননা খুম্ভীন।

শিল— ফাগদবোক নিংচুন তে হিবনিংন মাম্ম শিনা লাও ও
নৌখেয় মম্মনি কাবে শংগু হংয়।

তোম্ব— (খুংমবা) এদি চুশাইংংখ জকংদ্র চানিয়ু ;।
কম্ব চা তোম্ব চে। চংলুনে। (...)

তিকেন— (চংলকপা) মম্ম মাম্মা থংকিরিংনি ডম্ববা মাম্মা
মুংচোইদে।

তোম্ব . (খুমবা) ইন ইবু

তিকেন— মাম্ম এ ব অমা তাম্মাগ থিজনকপানি।

কহ্নাউ— করি রনোনে হায়দৌরিব রজবা ?

তিকেন— হম্ম লাইব, ভাংদোংদা মম্মনা চংদিরগা হেক্কা
লোইরে।

কহ্নাউ— কদাইদনো নন হাররিবসিবু, নাইত চদব মথম-
মবাং খংদবা রাগদি তাররকতু মদু এ দয় লৈতে।

তিকেন— মাম্ম না হেক পংচিংদা চিংনরে শুমহাই তোবনে,
অ এবু হেক্ক হায়রশিরনে।

তোম্বা— ইবাইবু হেক্কা হায়দোকগীয়ু কৌদোবগে ....।

বক্সাই— কদিনা য়াম্নরোনে ঐ থবক তববা অমা ওফিসতা লৈরোহাই

তিকন— য়াসামে হক্ক থাযদগ লোইবা, করি ইকাই ই-কাহনবা, হক মুদগ লেপ্প কি ফংঙি হাইনৈ ঐম্ন নংদি নংঙোনবা লোৎনালৈবা যদ্রে। মাস্মা, সিনিমা হক্লা, থাম্নবা মংদৈদে ঐখুইগী পাংবগা মরুপ শান্নরম্মদু থিরে? মসি মদা চৎলগা হক্তা লোইরে।

বক্সাই— অদু যদ চৎলগা করি থাদোক্কদবা?

তিকন— ঐনা মুং থজবা। মসি হয়রবা নিপা অদুগী থচ নুপা মশা, লৈন লৈনজনশি থাযরম্মী হায়। অদু মসু লেবের উপাই লৈতে। মস্মনা নু শিবিদুনা নুপা খনবদুন হয় অদু থাম্নবকচো হয়জবনি। (লৈম্নল মনিল লোবিবক্লে থাম্নবগী মওংদ খুদামনা ফুমৈম্ন ফিনং)

বক্সাই— নমগীদি করা খবা খংনা চাম্নবগী মওং লৈনব্রা?

তিকেন— (মখল পগ) মদুগী রফমসি তোকপিখে দা চৎতা চংদি কচে অজগা মেন জাগনি।

কক্সাই— নং থাম্নদিবদে যম্ন নুবনি, মম্নে অকলশিংনা য় দ্রবস্ত থোম্ন নশানা মাং নম্নবদি লাইরেদনা।

তিকেন— অদুগী রাবুদি- -- ঐনা কোইবিবশি মশা খংঙ- মগদ্র। খংঙমলোইদ্র খংদে। মে ঐগীশিদি মোন শেংনা

হায়রবনি মাগা হায়কেৎ চৎমিন্নবা মীগদি ফুরু খোৎ-
লুদুনগা ভোরে; মশি মগুাই মঙোন্দা কোইবা কায়ববু।

কহ্নাই— নংগীশিবু লেম্না তোকহৌবনা ফদোরিবা জাৎলা।
অতোপ্পা অমা য়েংলুশিন্দনা ঐনা হ য়বদা য়াগদবা
অমা লৈ।

তিকেন— মাম্মা! য়ারে লৌরে, য়াত্রে লৌরে, চৎতা চৎপিকচো
অহল লমনদো অমুক্তা হংবিরুচো, নত্রবদি ফজদে
হায়দুনা তৌবনি। হেরা নুপীবু র ওইনা খল্লে, ঐনা
মতম খরা শোরোক লমজাওদা কাইতমদুনা চৎলুবগী
অদুদা নুপী অতাংশিংনা কী তুকচা তৌবগী বাদনি
কৈদোবগী চিংনগদোরিবনো? খোংসু তেকতে মিৎসু
তাংদে করিদা বাৎলি ঐস্তু য়াম্না ফত্তবা নত্তেনা।

শিলা— (চা পুখোরকপা) মাম্মা চাশে। তাচোস্থ লাক্লিত্র?
চাশি পাইবিয়ু।

তোম্বা— হায় ঐদি থক্রোই, থুনা চংঃথ্রা, অরুবা য়াম্না
থন্নরি, য়্রাসকা ঐ পুশিন্রকলগে। (শিলা চংখিবা)

কহ্নাই— ও ইবুংঙো ওকলে তোকলো, অদুনি ঙাওশিন্ননু নুপি
থিবা থংঙোই হায়রিবশে অহলশিংনা। করে চৎলুরগে
য়ারে করে, য়াত্রে করে। মওং অমদি শোইদনা
শিলম্নগে ঐ থেংলে চৎলম্নগে; তোম্বা নখোয় ঙাওশি-
ন্নগনুকো, ঐ য়োরে। (চৎখিবা)

তোংকন— ফনি য়োবিরো ! ঈশ্বর ইবুংঙো থৌজালবিয়ু। মাবু ঐখোয়গী য়ুমদা লাকলদি থবক ইংখাংগা শুদ্ধনা মপানগা থোকচরোই।

তোম্ব.— হোইনে ! .ইবাই য়াবু য়ারবদি অচুনা কৈনে। অদুদি চংলসি। (চংখিবা)

লাইট ওফ

সাপলেশুন্না পান্দুপ

মফম— মাধবকী য়ুম

মাঙ্গোলদ চৌকি মে'র নচিবা মফম চানা থারি)

(মাধব, তমু (পোবকপা)

মা'ধব— হা'য় মমা ! ঙসিদি ঐ হকচা লৈশঙ অনা চনা লকল-বনি । শ্যাঃ হায়রিব লুপাময়া পঙন রু ঙ'ধবু থংগৎ নাশা করিনো অম তৌই । মগা ইদে ঙ্হাথ্র হাথলান্নিংদো ঐ লৈ'য়ন মাংখ্রে নংজিক গম নল্লকলে ।

তমু— কবি হাযবনলংগে ? ঙড়ক নাঙ্গু নংঙুনিব অতুবু ।

মা'ধ —নংঙে নদগী চৌন, তাই লিলাংশি নখোয়স্তুনি সংহাহবসি ।

তমু— এংগোন্দদি নরিগা ?

মা'ধব— নংনা ছৌজিক লেৎলি-ইল্লিব ফিরেল অতুবু মম পৈদগী শেংলম ইল্লমা । ফিরোলিলা ওয়ুনে হাযুনে শে ; ঙসিদগী চোনা মমা ঐগী জোইপ্র, ইরেং ফানেক. খনু ইংরস্ব, কো'নল মচুনচিবা লেইনা শংচনা শেংকনদনি । নরি ছৌজিককানগী হা সাধনা তেমামালিনি, ইবুঙে মচু. চিয়া-তংয় অস্তক য়স্ব মফম মরাং খংদবা মচু পাল্লিবা অসিবু লুপী নখোয়স্ত য়া'ওবেনে মত্তৌ তস্বা মাংলনবগী শকক্তা । নত্তে হায়রিব মচুশিং অদুবু পোৎশক লৈছুনা খোনবস্থ নত্তে । করিদা খোল্লিবা মচুনো খংদ্রেনে ।

শোরারেল মচু কায়মু, কবোকং মচু হায়মু মাই অচুম্ব নংতুবদা, (নম্বর রান) নখোয়শিনি গ্যান তাদনা তমবা কায়বদো।

তমু— ও .... চৎনবীনে নংগী নখৈ নৈতে মী পুন্নমক্কা তৌনাবিবশিনি মশি নংনা খিংবা তমগত্রা হায়বা ওইররোই-দবা থবক্কা।

মাধব— কাম নঙোন্দগী হৌরগা এদোনা মযুম মযুমগী মুপা-শিংনা মুপীশিংভু মরাইনা খিংজনি, অচু ওইরবদি চৎনবী তৌরেদনা।

কহ্নাই— (চংলকপা) করিনো মান্না লুবা রা থররেদা।

মাধব— কহ্নাই .... নংদি কৈদোটৈ লাকই করম তৌরি অনা অয়েক মাওয়া ?

কহ্নাই— খোইদোকপা মাওজদে, ইচেখোয়দি মুভাইবিরিদনা ?

তমু— হা .... ইবুংঙো মুঙই হায়গত্র মুঙাইতে হায়গত্রা। খংদে নোংমগী র কমা ভাংহৌরবদি মানদে মুমশে।

মাধব— মুপী লাংগমু বারি ভাইহাক শামগেং।করিনো লাক-খোকতন লাকশিবা অসিবু করি তাম্নশিগে ?

কহ্নাই— করিগুম্বা খরা খম নৈনশি হায়দুনা লাকচবনি। শিনি যমাংটৈ এখোয়গী ইবাইখোম নৈরিদৈদা অঙাংশিগী বারি খরা, পীনা খোৎনবগী মরমদা হায়নখিমারেনে। মচু মমুং মতম চারে হায়দুনা মুম তাম্নবা লাকচবনি।

মাধব— ইবুংঙো হোই হোই হায়নখি, অদুবু মতম খরা নৈখিবা
তারিনে, মহাক্তী পরিক্ষা মচা অমা নৈরিমায়ে অদুনা
মসিগী রাগা তাহনবা মাত্রি । ঐখোয়সু খন্নরিবনি মচিন
মনাওগা মামা নৈখিদুনা তৌরবদি কৈদো ঐখোয়সু
চিংনবা অমা পোকলে ।

কহ্নাই— হোয় মায়বদি লৌম-নৈনহন্ব কৈয়ে । অহল লমনগদুনা
নৈজরমলবদি মুত্তাইজবা, অদুসু নত্রে । মরাইবকতি
খিত্রবাজাৎনি ঐগী ইমাকশি ।

মাধব— হোয় চুম্মিনে ! মরুপতু নৈজরমলবদি মুত্তাইজগবা ঐনা
খজিকতং মারোবা অম নৈয়ে । পিশক পিকলিদৈঙদগী হো-
না কোয়রে কোয়মিন্নবা, চারে চামিন্নবা, তুমলে তুমমিন্নবা
অসুক লুনা তিন্নবা অসি মীনা হায়রিবনি হায়বা, মখোয়-
শিদি লুনা তিন্নপ্রেদা, মুংশিনপ্রেদা তাংন শোয়রিবজাৎনি ।
অদুবু মানা হন্দক্তি ঐঙোন্দ লৌনম তৌরমলে হায়বা ।

কহ্নাই— করি হায়রমলবগে ?

মাধব— কৈদৌবগে মরুপনি মপাংনি, পিশক পিকলিদৈঙদগী
থাদোক্লদে খংলে, মানা হন্দক ঐবু হৌরমদনা চৎখিবা
অসিদি পূক্লিং খজিকতং মুত্তাইতে হায়বা ।

কহ্নাই— করি বানোনে ! শিববু মী হৌমরবদি লোয়রেদনা ।

তম্ — ও .... ইবুংঙো মসি তাওদৌরিত্রা খংত্রে করিনো অমা
তৌরিয়ে ।

মাধব— হা ! ঐনা হায়বদি সিনিদা, মনিপুরশি মীনা কুক কুক
ইরেয়ে । মারবদি খংন-চাম্বশিংশি খর খর হোনবগা
পুরবদি খর মথৈদি শাকরেদনা ।

কহ্নাই— অদু করম হোৎনশি হায়বা ?

ভমু— হো ইবুংঙো ! ইচাম্ব অসিংশুনিদো, খল্লুরগম্ব অদুম
হেক থমনিংই । অমবোমদনা কাখি খোৎখি ভৌগত্রা
হায়দুনা হেক চিংনৈদো । খংত্রে নবাইগা অদুম ভা নরো ।

মাধব— ইবুংঙো করম ভৌনি, শোইদনবা অদুম হোৎনবা
হয়া অদুনি ।

কহ্নাই— অদুদি ইবাইবু ঐ য়োৎজরগে । (চৎখিব)

মাধব— করে ক.র ! ইবুংঙো য়োবিরো ।

প্রেমিলা— (খোরকপা) ইমা ইমা হৌজিক ভাংনখিবা রারিদু
করি রারিনো করি মরমগীনো ? অদুম হায়নগা মকম
মরাং খংদনা ভৌজ লাকচনু ।

মাধব— হায় মমা ! ঐ চৎলগে নংনা য়ানবা ... (খুৎ খৎপা)

ভমু— ইবেম্মা মসি নংবু মাংহনগে হায়দুনা হোৎনবা নত্তেনে,
নং মুম্মা খল্লুনে, ইমাখোয়না রারিবশে কদায়দা নংবু
মাংখিদগে হায়বগী রাথম্মা ঐখোয়দি মুমশিদা নৈকম
চাকম খংত্রিবনি । নংবু মকম চাবা অমদা থাজরগা
পুক্রিংশি খর ইংনবা হোৎনবনিনে ।

প্রেমিলা— অদু অদাগা খংদে ঐনা মামোই হায়রগা লোয়রে ।

মখোয়না চৎলু হায়রগা চৎকদবা নত্তে । অদুগুম্বা রাহু অমুক হন্না ঐঙোন্দা ত'হনগনু ।

তমু— অদুম ঙোম্নু ইবেম্ম ! নপাংসু মমাংদৈদা ইচা-নচা পীনশি, লোন-লৈনহনশি, হায়নখিবা অমা লৈমাম্মে । নপাগী মাই অমুক্তা ঙাকউ ।

প্রেমিলা— ইমা ঐখোয়সু খংঙে ! মুপী ওইবশিংশে য়ুমদা কৈদৌম্নু দা শিরোই মীরুংদা শিনি চাংশে মুপী ওইবী ঐখোয়গী লাইরকতা তঙগ্রানি, ককপা য়ারবোই-দবনি । ইমা য়ুম পানবা চায়রবশে মুপীওইবীশিংগী লুরবা লানফম অমনি মশিংগা য়ু খয়গংনি । করিগুম্বা ইমা । ঙাইহাকী শেরান্না খল্লুবদা থাজগ্রবী মুপী অদু করি ওইনি ইমা ? মহাকটু অমুক হন্নকনবদি মুপীগী পুন্সি খুদকত্তা অদুম লোইরে । ইমা ! মুন্না য়েংবীয়ু, মুপা অসিনা শাজৎতা লমচৎতা করম তৌবগে হায়বশে । নচা ঐখোয়দি অহল লমন্না হায়বনি হায়দুনা অদুম চৎখিনি । অদুবু নচা ওইবীশিংনা য়'গদবা অহ অহলশিংনা খন্না খনবীবা কৈ ইমা ।

তমু— হো ইমাখোয় খংজরে, হৌজিক্তান ছাত্রিশিংগা মা ঙাংনবা তমজপোৎ নত্তে । (চংখিব)

প্রেমিলা— ঐখোয়বু মখোয়না মচানি হায়দুনা শান্নপোৎকুম খনবীরেনে । মীগী মমুমদা লৈরুগদবদি ঐখোয়নি ।

মখোয়না চৎলগা লৈরুগদবদোনা ভাংডিনেসে ।

শ্যাম— (চংলকপা) কৈদোরে প্রেমি ? নংনা অদুক শাওনা নকপ্তি থুদোকতুনা লৈরম্লিবা অদুদি ।

প্রেমি— তামো লেংশিনবীরকউ ! কন্বীয়ু, (কিদা থাবা) সুপী ওইবীগী পুন্সিদি চাওর চাওরগা অসুম অসুম রাবা হেনগৎলকই তামো, ভাইহাক্তা সুংভাইকম লৈতে ।

শ্যাম— করিগীনো প্রেমি, থম্মোয় অদুক শেংক্লা মোন্দা হন্থনা লৈরিবা .... । নখোয়সু মীনি হিংননবগী লম্বীদা হোৎনবা করিসু কাইদে, রাথল রাংনা লৈয়ু ।

প্রেমি— তামো সংসার অসিদা কল্লক মীহৌবনা পিক থল্লবা ভাক্তনি মসিগী যমুংদা সুপী ওইবিশিংনা করম হিংগনি তামো ।

শ্যাম— চুম্মী, প্রেমি নখোয় সুপী ওইবিশিংবু করিসু লৈতনা বন্বীবা য়াওই । মসি থল্লীবা মীশিংদু অফবা ওইরোই । নখোয় সুপীশিংগীসু তোপ-তোপ্পা পাংগল লৈজে । অদুবু সুপীশিংসে মীনি হায়বা কাওনরবা আৎল খংদ্রে তাইবংপানশে....প্রেমি ।

প্রেমি— তামো....সংসার অসিদা অপাম মুংশি মশক থংদবা কয়াম লৈরমখিগনি ?

শ্যাম— (ও — থল্লগা নোকপা) তাও প্রেমি সংসার অসিদা লৈরিবা মীওইবা অমমুং সুপা সুপীশিংসে অপামমুংশী

মশক খংত্রবা মীশক অদুদি, তোংঙাল্লবা মীওই, বা-রিগা শাল্লবা য়াত্রবা মীওইবনা খল্লীবা বাখল খনত্রবা অদুতনা অপাম মু শি খংদবনি । অদুগা লৈহৌরিবশিং অসিদি করিগী খংদগনি । মশিবু খংত্রবদি লোইরেদনা প্রেমি.... লোয়না খংবনি । মতাং মতাংনা য়াদবননি ।

প্রেমি— অদুদি করিগীনো তামো ? মী অমগী খমে য়বু অম্বক য়াম্না ওৎতুনা খমবীরিবা অসিবু ?

শ্যাম— প্রেমি, বাহৈদু লেপখো, অদুগুম্বা বাখলদু খল্লুখিমু । হৌজিক ঐখোয়না অসিগুম্বা অসিদা চৎখদুনা লৈর-বদিশোইরে । য়েংঙোই ঐগীসু মতাং লাকখিনি অদুগা নংগীসু মতাং লাকখিনি, মদুদা শোয়দনবা হোৎনসি । ঐগীদি মতাং য়াম্না বাৎলি, নং অমুক্কা খল্লু ।

প্রেমি— খল্লুরিবা, চাকলুরিবশিং অদুনা মরম্মাই তাজবা তারে । অদুবু তামো; নখোয়না মুপী ওইরম্লবদি খংগদবনি ।

শ্যাম— (নোকফেৎ তৌনা) প্রেমি নং কাওরত্রা ইং ১৯৩৯ দা নৎত্রা ? ঐখোয়গী ইরৈবাকীদমক মুপীশিংনা পুল্সি পিরিবা ইরমদা খোকলিবা চিঙ্গাকপু ব্রিটীশকী মরুমদা থুপলিবা ময়াং করবার বালাশিংনা মপান্দা থাদোকপদগী ইরৈবাক মচাশিংগী চকম হাংলকপদগী মনিপুরী মুপীশিংনা নিংখো ব্রিটীশ অমদি ময়াং করবারবালাশিংগী শরো রৈখায়দুনা ঐখোয়গী ইজাতিগী থবাই কনখিবনি । মসিনি মনিপুরি

সুপীশিংগী পুন্সিরোন্দী। থোকখিবা থৌদোকশিং অসে ভমথিনা ওৎনৈবি. ঈ চুপলিবা ব্রিটশ নিংথৌ, অমদি ময়াং করবার য়ালাশিংবু শাথিনা মাইথিবা পিথিবা, য়েথায়থিবা নমথৎথিব' মনিপুরী সুপীশিংগী লালহৌনি। প্রেমি. নং মসি কাওরবরা মদুগী লিংজেল নৈররোইদ্রা ?

মাধব— (থোকলকপা) ইবুংঙো শ্যাম লাকলিবরা ?

শ্যাম— হোয় সুম লাকচবনি খুর'ইবু'ঙো ।

প্রেমি— তামো ঙাইহাক ফমবিরমথো ঐ ইমুংদা অমুক্তা চংলুথিগে ।(চংখিবা) ।

মাধব— হায় নং তামোগী চা সুং....

শ্যাম— ঐ য়াজরে .... য়ারনি ।

মাধব— শ্যাম বারি অমা ত'প্লশি, নং উপ্লবা য়াম্না করে । সুমহাই ভৌবনি প্রেমিলাশি থাজশ্রশি. মশি য়ানবা ঐথোয় ময়াম্না অমুক্তা তাপ্লশি ।

শ্যাম— (থনবা) থাজগদবনি খুরা ইবুংঙো মশি ভৌদবা য়াদ্রবা সুপাগী থৌদানি । ময়াম চংদুনা য়েংশি । করিগী য়াদনি হায়রগা লোয়রে ।

মাধব— ইবুংঙো য়ারবদি নংনা শেম শাদুনা অকবা বাহৈ থরা অমুক্তা হায়নবীয়ু ।

শ্যাম— (ইকাইনা) ফনি ঐ অওস্মথৈ মতেং পাংজগে। অদু-দি খুরা ইবুংঙো ঐ অমুক য়োজরগে। (চৎখিবা)

মাধব— য়োরো য়োরো হৌজিককানদি ইচা থংদে মীচা থংদে য়াম্না লুরবাজাংনি। ছাংন শকনবা অসিদা আন তানা হায়নত্রবদি লুরবা মতম্নী। (চংখিবা)

লাইট অফ

ভৱাশুবা পান্দুপ

মফম— লম্বেল

কহ্নাই— (ফাইল খরা পাইবা) (বীরা থেরকপা) বীরা বীরা লাও চেম্নুং শুরেকে', নহালগী মুপী চিংবগী অদো মুম্না য়েংউ, হায় ঙসিদি থেংগে ।

বীরা— নহাল মুপী চিংবগীদুদি সার, খরা থেংগে হায়ববু করিগীনো ?

কহ্নাই—মসি পংথ্রেদা থানাগা মানদে হায় কনাগুম্বশিংনা মিত্ত খংপদা হাম্না তাপহেক পাইশিল্লি হায়···· থেংগে হায়বদি পৈশা লৌগে হায়বনি পংগম্নুনে, পৈশা লৌগে হায়রবদি অত্তাবনা তারগা ঐথোয় ইকাইদনা হয়েংথৈ শাওরম্নু ।

বীরা— অদুননিদনা নহালমথৈ সারনা হবা থংদে, অমা থংদে চে চাং য়াওরিত্রা হংবদা য়াওই হায়রবস্ত্র, চে অমা ইবা তারে হায়দুনা হেক হেক ইরিবা অসিদি পৈশাগী ওইরে। মসিদি য়াম্না মুংঙাইবা জাংনিদনা, কাল্লে ফুনি কানথ্রে ফুনিদা নৈবা জাংনিদনা ঐদি অনোবা মুপানিনা থংদে, সারনা হয়েংথৈ খরা খরা তাকপিয়ু ।

তিকেন— (লাকই) মাম্মা মাম্মা কদায়দা চৎকদৌরিবনো, নহাল ঐগী পাওদুবু কমদোরগে, ঐ তুম্ব। চাবগ য় ত্রেনে, ·পাও তানিংবনা ···· কমদৌরবগে ?

কহ্লাই— নং অমুক লাকলত্রা ? মখোয়গী অহল অদুদি মাম্মা ফত্রবা জাৎনিহে ।

তিকেন— হায় ···· বীরা নং পুলিশ খল্লত্রা ? ঐদি খংবু খংঙ্ত্রেনে ।

বীরা— থবকশি সুম থিরকপদা, মরুপ অসিদা পাপ তরে । মসি বিঃএঃ অমনা তৌবদা মতিক চারে হায়দুনা য়াও-রবনি । মসিসু পাক হেক ফংবা নত্তে, মীনদি পুলিশ কোন্সতেবলনি হায়বা মরুপ হৌজিকানশিদি মাম্মা লুরে, অদুনা, য়া কাদুনা লৈবা মতম নত্রে হায়দুনা য়াওরবনি । মরুপ পৈশাখৈসু লোইরে বানোম্বদা । নংবু করিগীনো ?

তিকেন— নহাল সুপী হায়হল্লুবনি ।

বীরা— কনাদা ?

তিকেন— ঐখোয় মাম্মদা ।

বীরা— নং করম্বা সুপীদা হায়হল্লুরীবনো ? চোপতুনা তোক-তনা, নত্তে ! নংগা মুক্ষিনবা লৈবা জাৎলো । মদুসু ঐ থাজদে, নংনা মমাংঙৈদা তৌখিবশিংদো খল্লুরগা অমত্তা য়ারোইনে । ঐদি নোকপু নোকনিংই ।

কহ্লাই— বীরা— ···· ঙাইখো ঐনা য়ানবা লোয়না ঙাংনরে ।

অদুনা নংগী মমাংদৈগী লমচৎতু চৎলোইদ্রা ? মদু চৎ-লবদি ঐ মীগী মমংদা ইজ্জৎ পুম্নাং মাঙলে মদু তোক-লগদবনিকো ।

তিকেন— ঐনা খল্লিবা মসিদা ফংলবদি করিনো তৌগায়বা থবক অমা হেক্তা তৌজগে । মাম্মা মদুদি থবক্তা তাক্লক্কদবনি ।

বীর— মরুপ তিকেন, নংনা হায়খল্লুরিবা মুগাদু কদায়দগীনো ? ঐ খংবা য়ারোইদ্রা ? য়ারবদি অমুক্তা খংহনবীয়ুবা ।

তিকেন— হেরা ভাই ! প্রেমিলানিনে ।

বীরা— (নোকপা) হা…হা…হা মদু থারমদ্রি । খিকনেম্বনা থা লাম্বা হায়বদুনি, নংগী লমচৎতুগা কদায়দা খল্লুরিবনো । মদুগী, অমুক্তম্ম লানজদ্রবা মী অমম্ম ফংবিরে, অদুদবু অমুকম্ম হায়খল্লুরিনে হা…হা…হা…. ।

তিকেন— (ইকাইনা) বীরা তুমিম্মা লৈয়ু. নংগী নখো-নশিল লৈতে । য়াদ্রবস্ নংনা ইকায়গদবা নত্তে, ঐনা ইকায়-জগদবনি । নংগী নখো য়েংশিনবনা কৈ ।

কঙ্গাই— করিনো নংনা অদুক শাওরিনা অদুবু ইকায়ত্রা ! তুমিম্মা লৈয়ু. চুমত্রা মীনা হায়রিবসে, নংনা তৌই হায়বগী তৌই হায়বনি । তাও ! ঐ রা অমা হায়গে, মীওইবগী পুক্নিদা মী অমগী লমচৎ শাজৎ ঙাংনবা মতমদি নং খংলত্রা ? মদুম্ম খংদনা, তাও নংগী অসুম্বা

মুপী খিরমদাই, লুহোংলমদাই অসিবাইদা নংগী লমচৎ অদো মীনা ঙাংনগদৌরিবনি। নংগী অহল-লনমা তৌরম্বা থবক ফাওবা অকবা ওইরে, কণুবা ওইরে মী পুক্রমক্লা ঙাংনগ্রবনি। মদুননি অকবা থবক তৌ চৌ হায়রিবা অশে, নং মশি কাওগনু।

বীরা— সার! খোংশাল্লশি,...... মরুপ ঐদি পীশক পিক্রি-ঙৈদগী ভিন্নরকপনি হায়দুনা অস্তম হায়কবনি। নংনা অঙাং অমদা চৈগদবা মীচৈদু শিজিন্নবগুম তৌই। মদু থরা মুংঙাইতে, নংগী নথাদা লৈজবা মী মাল্লি। সার, ঐ ঘোজরগে। কেশ তৌবগী মফম অদুদা লৈজরমগে।
(চংখিবা)

কহ্নাই— হোই.... হোই।

তিকেন— হা হা (নোকপা) মীচৈগাইনা ঐগী মমাংঙৈগীদু অমুক হৌরকতুনা, লোইশিন্নীশে। মাথানগা মরোল অমা শাবনে। মাস্ম মখোয়দবু চৎলুখিগেনে মা য়াম্না ঊনিংঙে।
(চংগে তৌবদা প্রেমি লাকপা উবা)

কহ্নাই— অদুক য়াম্না ককনা ঙাংনরুরবা মক্তদা অমুকন্তু চৎলুখিগে হায়রিনেশে। মসিগী মমাইশিদি অঙকপনি মমাই অথাবশে অমা খোকতোকলবস্থ মমুংদা অমা লৈরমগদবা মাল্লি।

থিকেন— মাম্মা য়োবীরো খেংগ্রনি ঐ মী অমত্তা ভাইহৌ-
খিগে থৌরো। (য়াম্ন চৎহনলনিংবা)

প্রেমি— (লাইব্রিক অমা পাইদুনা কোলেজদা লাকপা)

তিকেন— (ইকায়না) প্রেমি কদায় য়োগদৌরিবনো ?

প্রেমি— ঐ কোলেজদা চৎচরুগে হায়দুনা লাকচবনি !

তিকেন— ভশিদি য়াম্না নুংঙাইরে, নংগী ঊম্নবা অসিদা পুন্সিগী
ওইনা করিগুম্বা খরা নিংশিংজগে। মসি হায় হায়দুনা
ঐবু কৌন খংদেস্ন খনবীগন্নু। নহাকশে ঐখোয়গী
অহল লম্মনা লৈরিবৈভদা হায়নবম্মী হায়নৈ, অদুগা ঐনম্নু
নংবু মতম কুইনদগী নিংজরকপা অমনি। মসি মরি
অম্নম লৈনহনবনা ফৈ। ঐগীদি তশেংনা হায়রিবা অসিনি।

প্রেমি— তা থিকেন ঐদিনে অসিগুম্বা বাখলশে কুইরেদা
খল্লুদবা কমদৌনি। য়ারোবীনু মতম খরদি লৈজখিবা
ভারি। চুম্মী, হায়বীবদু অহল লমম্না পীনশি খম্নরমবা
য়াই, ঐনা অদুম্ন ককথৎপা ভমজদে, অদুগা ঐবু নুং-
শিবিরদি মতম খরদি য়ুম য়ুমদা লৈনখিশি।

তিকেন— প্রেমি মীওইবগী পুন্সিদা ভাওনরিবশিং অশে নিংবা
কাইবদগীনি অদুনা ঐনা মী অমদা শাগী লিচৎ চৎলম্বা
য়াই অদুবু নিংবা থুংবা কনাগুম্বা অমনা থক কা হেনবা
শাজৎ চৎলমলোই। প্রেমি কা হেনবা থবকসু ঐদি
থৌরোই হায়না নিংই।

থোকখ্রিবা থৌদোকশিংশি নং হায়ৌগনু ঐমা মীৎবা কায়ামলুবা হায়বা অদুনি। য়েংঙু, লোবা ফাওবা লৌখ্রিবা অদুগা নংগা ঐগা মুংশিনবগী মরমনু থংখ্রিবা, অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা মনাক্তা নকহনিংদে মসিবু ইতোমতগী হাথল্লা থংত্রে। প্রেমি ঐদি শেংনা হায়জরিবসিনি।

প্রেমি— তা তিকেন ঈশ্বরনা শিনবীবা ওইসনু। ভাইহাক পোৎ-থাবীহৌখো ঐ য়োজরমলগে। (চংখিবা)

তিকন— করে, য়ৌবিরয়ো, ঐনা হৌজিক হৈরবনি হায়রদুনা ভাংভুরিবা হাহৈশিং অদুবু মুংশিবীরমগত্রনে, ঐখোয়শিনা হায়বশিদি কোইখোকতনা থোৎনা নৌনা হায়বনু হৈজ-পোৎ নত্তে, ঐখোয়গী হায়ববু হে নং ভাইখো ফুবা তারে, নত্রগা চিংথাতারে, শিমভাইনে ঐখোয়গী মুংশি হাহৈ হায়ববু। নুপ্রেদা, হাহৈ মুংশিবা তমদবা য়াত্রে, মত্তাংনা।

শ্যাম —সুরেশনু য়াওবা, থোরকপা) মরূপ তিকেন ! কদায় য়ৌবিগদৌবনো ? য়ারবদি ময়াম পুনশি, থর থর লেং-থোকপিরকউনে। ঐখোয়না হোৎনজরিবা অসি মরূপশীনু য়াওবনে, ঐখোয় ইরয়াই অমত্তা নত্তে। ময়ায়া মুংশিবী-ত্রবদি কুইররোই পোক্লকম লমদমশে মচেৎ মচেৎ তাগদবা।

তিকেন— ফনি মরূপ। ঐ অদুক শংবা মতমদা হেক হেক লাকচগে, হায়ৌবীনু। মসিদা মী অমনা ভাইহৌরে।

অদো, ঐ য়োৌজরগে। (চৎখিবা)

শ্যাম— (ফনি) মখোয় অসি মরুপ, খর থেংনবদা হায়দ্রবদি ভোৌফম খ'দনা মাংদুনা লৈরবনি । মখোয়গী মশাদা কায়বা থবক হায়বশে অমত্তা ভোৌখিদ্রিবনি । মাংনবত্তা হোৎনবা মীওই ডাকতনি। মরুপ ঐগী য়াথলশে করিনো। অমা খল্লকলে. ঐ সুংশিবগী মমি তারক্লে। হে সুংশিবা ! অচুকপনি নহাক অশে. মীওইবগী থম্মোয় থোৎহনবা. মী অমবু অমনা সু'শিহন্দবা, নহাক অশে অক্ৎবা নত্তে। করিগী নংনা ঐবু ডাওহনগে হোৎনরক্লি । ডম্মোই ডম্মোই, ঐগী থম্মোয়দি হোৌজিক ইথৈবাকচাশিংদা চৎ চৎতুনা হিংনবা য়ারি শায়খিগনি । অদুগা নংনা ঐবু থুগাইরি । করি ········ ? নহাক্লা ঐবু মীসুংশি খংদবা মীওইশিং কয়াম লৈরিবগে হায়খিবা ····। প্রেমি প্রেমি নংবু সুংশিদবা নত্তে. ঐ শা নত্তেনে । প্রেমি নংসুনে ঐগী ফিভম ওইরম্লবদি খংলমগদবনি । অদুবু ঐমক্লা সুংশি হায়বশে ফোংদোকপা ঙমদবনি ····। প্রেমি কায়রবা থম্মোয়নি, মসি নংনা খংলরোই, ঈশ্বর মানদি থংলিপনি । ঐ মী ওৎপা নত্তে, ঐ মী ওৎপা নত্তে প্রেমি ····। (অঙাওবদোনা ভোৌবা)

সুরেশ— মরুপ করিনো ভোৌরিবা অসিবো ?

শ্যাম— ঐসু থুংলরে, মরুপ কুয়া চাকথুং অমা কাইনা মৈশা।

মরুপ ঐদি ফোংদোকপা ঙমদনা অস্থম লেনখ্রদবনি ····।

অস্থম লেনখ্রদবনি ।

স্থরেশ— করিগীনো অদুক চাওবা রাখল খল্লমগা ··· ? ঐদি ঙসিগী মতো অসিদি অমুক্তস্থ উখিদ্রে ।

চৎলসি ঐখোয়গী থবক পাংখোকলুশি । ঙসি ময়াম পুনশি ফায়নে, প্রেমিলাখোয়দা ।

শ্যাম— মরুপ ঐ মখোয়দা চংবা ঙম্মী থাজরকত্রে । মরমদি সুপা ওইবা ঐখোয়দি সুংশিব' চাম্মা চাম্মনি অদুগ সুপী ওইবীশিংগীদি য়ুম্নাক অমতনি অদুগা মহাক্কা নিঙমদবা মীৎয়েং, খাংঙমদবা রাইনা তামো লাকপিরিবরা ফায়রকদবদো খল্লুবদা ঐগী ফায়রব খম্মোয়শে পুবা ঙমগনি থাজদ্রে মরুপ ।

স্থরেশ— মরুপ শোয়রে থাদোকলো রাখলদে নত্রবদি পুন্নমক মাংবা তারে ।

শ্যাম— মরুপ রাখলশি খল্লুরবদি পংখনদ খল্লকই ।ঐদি । ইমা. ইপানা নৌনা হন্দোকপিরমই অদুনা সুংঙাইকম খংদনা লেল্লকপা ঐগী পুক্নিনি । ঐগী ইমানা ফায়রম্মী ! শ্যাম নংবু ইমানা থাদোক্লগা করম্না ····। হায়রম্লগা অদুম সংসার অসে রা মখা তারমদনা থ'দোকখি । ঐ মতমদো অঙাং ওইবনা থোইনা খল্লুদে হৌজিক্তি খল্লু খল্লুরগা অস্থম অস্থম নিঙমদ্রেনে মরুপ । নত্তে, নত্তে সুংশিবা

নংননি নংননি। করিগীনো ঐবু নংনা হা হা (নোকপা)

(ৱাংঙগে তৌবা) (ভাওরকপগী মওং)

সুরেশ— করিনো মরুপ তৌরিবা অসিবু ? ঐ মংগুমগ্রে মরুপ।

(কোনশিনবা চংমিন্নখিবা)

লাইট ওফ

তরামাথোইশুবা পন্দুপ

মফম — মাধবকী য়ুম

(ময়াম লাকপগী ফমনবা শেম শাদুনা লৈ)

মাধব— ইবুংঙো তোম্বা লেংশিল্লকউ, লেংশিল্লকউ ।

তোম্বা— ময়াম অমত্তা লাকত্রিবা জাৎনিদনা ।

মাধব— লাকনদ্রি। ইবুংঙো তোম্ব', ঐখোয়শি তান চাদ্রবদি লৈকমগা লৈতদ্রুনা কোইচেন চেনত্রা কৈনো. খংদ্রিবা-জাৎনিকো ।

তোম্বা— মদু য়াম্না চুমবা জাৎনি, চিংয়া তময়াস্ত কোক-পদগীয়া করিনো মুংশিৎ মুংশস্ত মফম মরাং অমত্তা খংদ্রে । নোং তারে, হেক তাবপা ঈশিংসু খংচাও খংচাও চাওরে ময়মদি চিং মান্দা উপাল য়াপালশিং অসি সুকতুন লৈরবদি. উনা য়ানাদা পকতুনা লৈহৌ-গদবনি । কোম্না অসুম অসুম খরা খরা চেমখরগা ঈশিংসু খরা হনগৎলকদবনি হৌজিকতি কুং হেক চাওখৎলে য়ানি ।

মাধব— মদু চুমবা তাই শারবসু পংশাদা শারে, বিহার, রাজস্থান

মীরৈবাক অশোমদা শারিবা মৈশা অদুগা চপমাম্নরে,
মনি কোকশকপনা ওইরমবা তাই। চুম্নী, মীশিং-
সু য়াম্না হেন্নেনে মদুগী মীনিনম্ন থরদি শাবা হেনগৎ-
লমবা য়াই।

সুরেশ—(থোরকপা) য়োবিরমলে ৱারোবীমু খরা থেংথ্রে।

তোম্ব—য়াইদা য়াইদা ঐ:হাক্নদি ৱারিশিংশি শানিংবনা থাংবা
ঙমদদুনা ফমলমবনি।

সুরেশ—মরুপ শ্যামসু লাকললিয়ে, মহাক করিগুম্বা খরদগী
লাকপা য়াদদুনা তৌরবনি, থোরকহোরবনি ঐনা হায়া
লাকপনি।

শ্যাম—(লাকপা) ইচিন ইনাও ময়াম খুরুমজরি, খুরুমজরি
ৱারোবীমু খজিক্কুং থেংথ্রে মদুগী ঙাকপিগনি।

ত্রিকেন—(লাকপা) ময়াম খুরুমজরি।

মাধব—ইবুংঙো লাও লাও। (ফমহনবা)

তোম্বা—অদুদি ঐখোয় মীথিৎসু-থোইনা ৱাৎত্রে অদুনা
ঐখোয় ৱাফম হৌদোকনবা হোৎনরসি।

ময়াম—য়ারে....।

তোম্বা—অদুদি মরুপ শ্যাম! ৱাহৈ খরা হায়বীনবা ময়ামগী
মায়কৈদগী হায়জরি।

তোম্বা—ঐ সেকেও তৌজরি।

শ্যাম— ঙসি ভিনবীরীবা অহল লমল অমদি মরুপ মপাং-
শিংদা ঐনা নিংঙদব ৱাহৈ খরা কোংদোকচবদা অংশোয়
অঙাম য়াওরবস্ত ঙাকপিগনি। ঐনা অহানবদা করমবা
মতমদা ঐখোয়শে লিংজেল মায়বগী মওং লৈবগে হায়বশি
থব নিংশিংজগে। ঐখোয়না মায়ৈ. করমবা মতমদা,
করিগুম্বদ ফিরোই, শোয়াৎ, অস্তী সঙ্কয়, অমস্তুং লুহোংবা
ঐখোয়না শেৎলিব মওং অসি উবদা অয়েংবা অমনা
য়েংলবদি. হায়না শিংনতুনা হো মরুপ হয়েংদি ফৈজোম
পুময়াৎ শেৎলগা লাকউ লুহোংবা অমস্তুং শোয়াৎ চৎ-
লুশি হায়নদে। হো ইভা ! পুঙৌ ফনেক, ইন্নফি ইল্লগা
লাকউ অস্তী চৎলুশি হায়নদে, লুহোংবা চৎলুশি ফনেক
ময়েক নাইবা শেৎলকউ হায়নদে অমস্তা ওইবা ফিজোম্না
লৈতেংলগা লাকনৈ। য়েংবদা অস্তক ফত্তপ্রবা অসিবু
মস্তুংদদি অমন অমা খানৈ। করম্বা মতমদা ভোৎ
থাদবা মতমদা, ঐদি কঙ্গ্রেস, এমঃপিঃপি, সিঃপিঃআইঃ,
কংলৈ লীগ নি হা অদুনি হায়নৈ। অদুগা ধর্ম্মস্ত ঐনা
হিন্দুনি, খৃষ্টীয়াননি, হায়দুনা লৈনৈ। ঙশাই ফিজোল
অমতদা লৈরম্বা অদু লৌজিকতি পুমকাই কায়রে মসিনি
ঐখোয়না ভৌরিবা অসি। খ্বাইদগী লুবদি ঐখোয়শি
কনারো হায় থিবীয়ু অদুগা চৎনিংবা, পাঙনিংবা থবক
পাংখোকপীয়ু (ময়াম খুবাক খুবা)।

শ্যাম— ঐনা পাম্বৈ ঙিক্চিং তমদনা চৎপা অসি। অমদসু মানা মানা পান্দ [illegible] মসিদগীনি ঐখোয়না লিংজেল মান্নবনা [illegible] অসম নৈংখা তানকলিবা। মীশিংদি মতাংক্তা অতুগা [illegible] তারা [illegible] তারা, পুশিল্ল-কই মতুদা ঐগে [illegible] পাতুনা [illegible] লৈরি। করম্না [illegible] গনি মসি ঐখোয়গী থংকা লোয়্নবা লৈবনি। নত্রবদি ইবৈ, বাক মচাশিং লগা [illegible] অঙ্গু [illegible]। ঐ মসি [illegible] অসম [illegible]। (ময়াম পুবাক থুবা)

[illegible]— [illegible] বরু [illegible] ওংকবনবা হায়ঙরি [illegible] অগানবদা, ময়াম্না অশোক্তবা [illegible] ঐখোয় ইসিকাগুবদ লিংজেল মান্নবা [illegible] উবা ফংদ্রি। অতুনা ঙাসদগী ঐখোয় অমত্তা খুজেং পানিঙইননা চৎমিন্নাশ, শিরে মফম অমদ, চংঙে মফম অমদা. অসিনা লেপ্পা ঐখোয়গী অফবা ওইনি।

ময়াম— ঐখোয় ময়াম অমত্তুদা চৎলশি, কদিদা শোংথরিগে হায়বদো থিশ। মমাংঙুদগী য়াম্না শাথিনা হোংলবা জাংনিকে .... হোংলে হোংলে।

শ্যাম— ঐখোয়বু অতোম্বীগী মচাদোনা অতোম্বীগী ওইরবসু মপামদা লৈবা অতোম্বী অতনা পোকপা মচাগুম্না কয়াদা থিনা ওৎপিরম্মী মতুদগী খাংবা ঙমদতুনা ঐখোয়গী শেংলবা ঈ অমসুং মথোনা লৈরবা শহিদ কয়া কয়া

মরৈবাক্কীদমক মথরায় কৎখি। মখোয়শিং অসিগী য়াবী লোয়না লৈরিবা ঙাক্রুনি। কয়াদা মরৈবাক মঙ্গাতিবু কন্নবগীদমক নেক্না নেক্না থরায় থখি। মতম অদুদগী হৌজিক্না হেল্লবনি ময়াম অমুক্তা য়েংবীয়ু, থনবীয়ু। ঐনা হায়রিবা অসি ককপা য়াররোইদবা ৱাকমনি। মরমদি মংদা তাডুনা লৈরিবা ৱারিনি।

তোম্বা— মাম্মী চুম্মী… হৌজিক মনিপুর ব্রটিশকী লেইলম লৈঙাক মথাদা লৈরে অদুবু ব্রিটিশনা শাগৎলমবা লোইলম শন্দোকপগী থৌরমবু মথাদা কনানা শামথহৌ-হায়বদু মুম্না থনথবীয়ু। লোইলম লৈঙাক্কী মথাদ ঙসিদি মনিপুরি খুন্নাইনা পুন্সিগী লম খুদিংদ হেন্না তংথিরবা চৈফু কয়া থেংনরি। লৈঙাকলম, শেলথুম ঙমদি ঐখোয়গী ইপানাৎ ইপুনাৎ মশক মচু পোকহনদনা ঐখোয়গী হাত-হাসকি ইচেলবু নথৈনবা হোৎনরি। লোইলমগী তমথি-রবা মীওৎ মীনৈ অদুদি হেন্না কনাশন্না চৎথরকলি। ইং ১৯৩৯দা তাংবা চেংদি অগাংবা মতমগী নৎাবদে। হৌজিকতি চাবা ফদবা চারা হেনবনা লিশং শিংনা ঐখোয়গী নুতিগী থোদোক ওইরকলি। হিংনবগী লম্বীদা লোইলম লৈবাক অসিগী খুদোংথিবা ঙাকতনা লোইনা ঐখোয়দা কোইশিল্লকলি, হৌখিবা মতম কয়াদা পুন্সি-গী শেন্নুম ফিভমদা ফিতা শাদুনা থাকনকলবা কল্লক্রবা

মনিপুরগী সুপাইনি। অদুগ্‌ ঙসিদি ময়াং কারবাররালা-শিংগী খুৎশানবিদা তৈরক্লি। লৈ অমদি ফিগী মতম লেপ্লদা নত্তনা ঐখোয়গী ইজ্জৎ ফাওবা মখোয়গী অনিংবগী মথাক্তা লৈরক্লি।

সুরেশ— ঙসিদি ইতিহাসকী খোংচমদা চিরবা মতম য়োরে। মশাক মওং পেনগ্দবা তৌভাকলেম্না মনিপুরিশিংবু করেম-নরি। ইনাকখুনবদা চেনশিনবা শেংলা ঈচেম্না মনিপুরি-শিংগী পুন্সিবু মক ফংলহনক্লি, অমদি রাখল ইয়াও যাওদবা পুন্সি শনত্তবু মি বাহনদুনা ইপানাং ইপুনাং ভুং ওইহনকলি।

মাধব— মমি ঐখোয়গী লম অসি নোংমাইজিং ওইহনগে হায়রবদি মখোয়না মনিপুরিগী ময়োলদা তৈরবনিনা হেক্ত ওইকলি। নোংমাইজিং হায়বদি ঐখোয়না খংনৈ, ওফিশ কাদবা, বজার হাংনবা অসিনি অদুনা মখোয়না নোংমা চুকন থোং লোনথ্রগা অদুম লোযরে।

পুলিশ— (চংলকপ) ইবুংঙো! শ্যাম হায়রিবা সুপা অদু নহাকনা?

শ্যাম— হোয়! কয়স্ব। ময়মগী।

পুলিশ— নিনি! ইবুংঙো। ফারগা পুরকউ হায়দুনা হুকুম অমগী মতু ইন্না লাকপনি। অদু ইবুংঙো রারোবা য়াদে লেংননবা তৌরশিদো। বীরা হেন কপ···।

বীর— ৱারোবা য়াদে, এখোয়গী কুশিনা লাকপা নৎচদে।
(হেন-কপ চনবা)

শ্যাম— করিগী ৱারোগনি ?

পুলিশ— শ্যাম হায়রিব নুপা অসিনা লৈবাক অসি হরাং হেইনগদোৎক তয়বগী এশ য়গী তারানবা মীশকশিংনা পাও লাকপদগী এখোয়শি থাবকপানা।

মরাঃ— নরিং থাইদোকপ, ইরাংগী হাংদ শাথিদেনা এখোয় থৈতগী চৎনবী থিগৎশি হায়বনি।
(প্রেম মচ গ থোরকপা

তনু— করিনা তৌরিবা অনিবু ? (শকতুনা লৈব)

শ্যাম— (কনয়েৎ তেরগা) ইন্দেন নরিংশ নত্তেদ ....।
সার মিনিট :০দং মতম লৌজগে য়াগদ্রা ?

পুলিশ— য়ানি য়ানি।

শ্যাম— (মাধবত) থুরাইহুংদো ভসি চিব মতম অসিদা নচ'-মকনি খনবীদুন' থুরা অংদি তন্দেৎদা ভীক্ষা অংতা নিজগে। (নুঙাইতনা মওদ)

মাধব— ইংনা অপামবতা হায়যু য়াই।

শ্যাম— প্রেমি নং ভসিদগী কেক পোকনিংলবা নবুং অমনি থল্লু অদুননি ইল্লুংনা হা অমা পুন্সিগী ওইনা হায়গে, মত্থু য়াগদবনি মচু য়াগদবনি। স্বরূপ তিকেন। ভসিদগী ওকতবা লিচৎ শাজৎ তোকলনি অমুক্তা হায়বীয়ু,

মরুপমক্তি খনবীদুনা ……।

থিবেন— ঐ ওসিদগী হৌরদুনা শা, চাগী লমচৎ অদু খাদোক-লবনি। ঐ অমুক হন্না চৎপ্রয়োই। ঈরৈবাকী শোৎথ-হোরবা অসিগী মরমদা অঙমবা মক্তেং হোৎনরগনি।

শ্যাম— মরুপ ….(কোনশিনবা) ঐখোয়া মশেন হাৎনরগ, করি কায়গনি ইশাবু ইশানা হাৎচবনি।

থুরা ইবুংঙো প্রেমিশি ঐনা ভিক্ষা ওইনা নিজরগে. হায়ৗয়ু।

মাধব—ওসিদগী ইচানা অপাম্বদা হায়ু ঐনা ভিক্ষা হায়বনি।

শ্যাম — থুরা ইবুংঙো…… ।(থুরম্বা কপামিন্নবা. ময়াম মুত্তাইতনা লৈব।)

শ্যাম— য়েংঙেই ! ইবুংগী ইবেম্মা লাও, (ভিকেন, প্রেমি মথুৎ শম্নহনবা অদুগা কন্যা ওইনা কৎথোকপা।) প্রেমি কায়রবা নবুংগী থম্মোয়নি। জগৎতনে সুংশিবা মশক খংদবা থোইনা লৈতবনি। প্রেমি পুক্নি নুংশাংনা পাল্লুকো। মরুপ অহল অমুক্তা …..।(ভিকেন চংশিল্লগা থুরম্বা)

শ্যাম— ময়াম য়েংবীয়ু, ঐনা ওসি কংলিবা দণ্ড অসি হুরাল্লুবগী নত্তে, নুপী চিংলুবগী নত্তে, মী হাৎলুবগী নত্তে, য়ু থকনুবগী নাত্তে ঐখোয়না হিংনবগী লম্বী শেমন-নবগীদমক্তনি। ময়াম কৈখীবোরে। (থুৎ থাজৎপা. চৎখিবা)

ময়াম— শ্যাম....শ্যাম। (খুৎ থাঙ্গৎপা, প্রেমি মুংঙাইতমা
লৈরোবা)

ংকেন শৈরেংবাক মচা শিং ঙসিদগী গ্রখোয়গী ইপানাৎ
ইপুনাৎকী চৎলমবা লিচৎ থিরশে ....।

ময়াম থিরশে ....।

লোইরবা।

অইহগী থোকলক্কদবা লাইরিকশিং

ঐদি অঙাওবনি

ঐগী ইমুং

ঙুংশিরুবা

কনাগী মঙ্গালনো

ফংফম:— রাজ ষ্টোর, ইম্ফাল বুক হাউস অমসুং লাইরিক যোনবা দুকানশিং ।